গ্রেট ব্রার

মতুব্রা ঝুলোন

গেট বার

মহুয়া ঝুলোন

[illegible] = নামের বাকশম গোপাল সিংহ
পৃষ্ঠা [illegible] - ১১৫৬



[illegible]ddu P[illegible]dit Mutuwa Jhulon S[illegible]

A[illegible] DIARY.

ৱাহৌদোক।



ঐনা মণিপুরগী অকল তথৌশিংনা খৃঃ ১৯১৬ অসিদা জর্মণগী লাঙ্গাও তেংঋংউবগী ৱারি ইজবসি— শ্রীহুইদ্রোম তোম্বীসিংহ, এক্স সুবিদার মেজর অমসুং শ্রীখুইরাকপা নবকিশোরসিংহ, এক্স হেড মাষ্টর ইউ, পি : অনিগী ৱার ডাইরি ঐনা খংজবগা অসি তাশিন্দুনা অউকপা অমসুং অঙ্কিবা কংলবা সমুদ্রশিং, ভারত মহাসাগর, আরব সাগর, লোহিত সাগর, ভূমধ্য সাগর, আড্রিয়াতিক সাগর, অমসুং কৃষ্ণ সাগর হাঙৈরিবা অসিদা হঙ্গং-হন্দা চংতুনা অউকপা অঙ্কিবা খুঙাইবা অমসুং খুংশিবা রস ৪।৫ না তিল্লবা পৃথিবীগী মী পৈত্রনা থেংনখ্রবা লাঙ্গাও অসিদা মণিপুরনা য়াওরুবগী থৌনাশি— মণিপুরগী নৌনা হৌরক্লিবা পাখং লৈশাবীশিংনা পারগা, অন্তমাই থগ্মোইদা বেক্কনা পুক্লিং হরাও তুজুং-থোইরাংহুনা ওথিংনবগীদমক্তা লাইরিক অনা ওইনা লেংশিন্দুনা ছাপা ভাজরে। মসি লোল-লিদি মীরৈবাকী অমসুং লাঙ্গাওগী খুঙ্গংগীশিং যাওবনিনা অরান অহুই ডাকপিনি নিংঙ্গে।

শ্রী—তুরা —সিংহ।

পন্দুপকা লৈফম।

—:( ):—

(জর্ম্মন)

নং ১, গ্রেট ৱার. মণিপুরনা লান ছেংবা'স্রা।

——:(৯৫)

ইউরোপতা অষ্ট্রিয়াগী যুবরাজ মতৈ মনাও মোটর গাড়ী তোংদুনা শালভিয়াদা কোইরা চৎলিঙৈ মমাংদা স্কুল মসুংদা সুপীগী মরমদা পাখংশিংনা মরে; মেৎনখি হায়রনে। অদুগী মরমদা শালভিয়াগী স্কুল ছাত্র অমনা যুবরাজ মতৈ মনাওবু পিস্তলনা কাপ্পুনা হাত্তোকখে, অদুগী বেলজিয়মনা শালভিয়াবু হাৱনকবা মরমদগী হৌরকপা লানজাও

মথোয কারবা জর্ম্মনশিংনা পাঙ্গল শোল্লবা বেলজিযম কৌবা লৈপাক অপ্রিশক অসিবু য়াম্না লাকচবিরকপদগীনি হাযনৈ। বৃটিশ গবর্ণমেণ্টকি মফমদা চেনশিন্দুনা তৌরিবা মওং অসি যেংউ হাযরনা মওং পুম্নমক লিরুরে। অদুগী বৃটিশ গবর্ণমেণ্টনা অসোনববু লাকচাবা চুম্লুপ হায়না লেপনদুনা ফ্রান্সকি অৱাং নোংপোক থংবা লমদা বৃটিশকী লাম্মী লাখ ৪০০০০০ নিফু তাম্পুদুনা জর্ম্মনশিংগী লানি অকনবা থেংনখি।

লৈহৌ

প্রমাণ অনদি মনাংঙৈগী কৌরব পাণ্ডবকি লানতাও তংগুম্না পৃথিবীগী নৌ পুননমক পৈহনা থেংনখিবা অঙু-ঙ্ক্ষনি অসিদা মণিপুরেশ্বর মহারাজ সার চুড়াচান্দসিংহ কে, সি, এস, আই, সি, বি, ই, না ভারত বড়লাটকা তান্নরুনা পার্লামেন্টতা লাইরিক চংনরগা ঐস্র জর্মনগী লান পাংবা যাওনি হায়রবদা য়ানররুনা লান পাংবা হায়না লেপনরে, মসিগী চৈরক খংসিদা লোংপোক চিংথৈদা লৈবা আবর হাংখুনগা বৃটিশকা খংনদুনা লান অমা থোরকই; মসিদা বৃটিশনা অশোনদা হায়না লান চংউ হায়-রকতুনা আবরদা হায়না চংবদা লেপনরে।

মণিপুরনা অহানবা লান পাংবা

আবর চংপা মতাং।

মতমগী মণিপুরেশ্বর মহারাজনা আবরদা লান চংউ হায়না তাকপিরে। মসা যাপং মতুং ইন্না খৃঃ ১৯১৪ দা এপ্রিল থাগী তাং ১৫ দা মণিপুরগী লাস্নী চংপা হৌরে।

তেঙ্গোলগী লুচিংবা।

লাইশ্রম চুড়াসিং সুবীদার, নিংথৌজম কুলাপসিং জবীদার, মাইরম জমাদার, কাংজম জমাদার, [illegible] হুইদ্রোম তোম্বী জমাদার হায়রিবা অসিনা মৈথৈ-কৈদা শ্রীগোবিন্দ খুরুমনগা তেঙ্গোল থাত্না হৌখি।

মতম আসদা ডিমাপুর লম্বী অসি খোংগাডী ; মণ গাড়ীনা চংলম্মী, খোংনা মুমিৎ নিপানিদা ডিমাপুর ফংই, ডিমাপুরদগী অবাং পোংনা রেল তোংদুনা টিনচুখিয়াদা রেল শিল্লি, অদুদগী অমুক তোংখল্লুনা অবাংগী রেল থম্বা হৈথবা ঘাট হাযবা অদুদা থুংই, মফম অদুদা নোংমা পেংথোক্‌লগা মোটর বোটনা শাল্লগা সোদিয়া ডিপোদা থিল্লে। সোদিয়াদা থংলে নৈরগা আবরদা মণিপুর লাননা লান চংলে।

মুমিৎ ৪ নি চংলগা আবর হায়বা লম্বী অদুনা তবাং নোংচুপ সীনানা ফংই।

মফম অসি হিমালয় চিংগী মথোংনি আবরগী লানশি মচানিদি হায়ববু তিবেট অমসুং চীন নকনবনা ব্রিটিশনা যাম্না চেকশিন্না হোৎনৈ।

মফম অসি হবা পানি যাম্না নিংথি উনাদ চিংথক্তা ঙাক্তা তাই তমদদি খক তাদে অদুনা যাম্না নিংথগি যাম্না শাই, মথোইগী নৈশাবীশিংদি মশম কোকপদগী হৌরকপা অচমদোনা ঙাক্তা ককই। অদুগা ফিদি সাডী অঙাংবা শেৎলি, নৈশাবী মৌশিং অসি পাশিঘাট কৈথেলদা নিতিনী অচা অথক যাম্না যোল্লি। আবর নিপাগী ফিজেত্তি খব মোৎলিদি হায়ববু নিপা ওইবগী ফিজেত্তি ইন্নাৎ ব্রানো শেৎলি। ঙবোংগী ফুরিৎ শাইগকপা যৌজামহ্ন লশিংনা শাবা ফেক্তোম কৌনা শেৎলি অদুগা

মনঙ্গদা তেনদোং মপুনি অমা যাদ্রি, ওই থংবা নাকন্দা কান্দা লিকুং অমা য়াদ্রি, ওইথংবা কান্দা থাং অমা য়াদ্রি, চেথংবা নাকন্দা শণ্ডা মতুগী পাইতু অমা য়াদ্রি, মকোক্তা লিগী তুপি উপই। মখোয়গী তেন অস্তু মতোন্দা হু হাপই বরিগুন্দদা ঈ থোকপা মকমদা তেন শতোন্দুনা শোক্লা পন্নকুরবদি হু কাই শিগদ্রি

মখোইসি হি হোনবস্থ যাম্না হে, মখোয়গী তুরেল নিংখং নদী কৌবা তুরেল অমা লৈ, মহদা হি হোন্দুনা লাকপদ্রি য়াম্না নিংথিজে।

অদুগী বৃটিশ সরকারনা জঙ্গোলদা লাননীশিংগু পংচৈ চংথোকহন্দে; নরমদি মখোইগী তেন অচৌবা অদুনা উজ্জাওদা পুন্নগা কাপলিকুই হাবহনা যাম্না চেক-শিন্ন। মতৌ অসুম তৌনা খৃঃ ১৯১৫ যাবেদা আবরদা লৈবা অসিদা মণিপুরেশ্বর মহারাজনা নোংচুপ লমদা জর্ম্মনগী লান অসি য়াম্না কন্নে হাবতুনা জর্ম্মন লমদা লান চংপা তারে হাবনা কৌথোকলে। আবরদা লৈবা লাননীশিং অসি খৃঃ ১৫ দা অদুম্মক থুংডুরে

অসিগী মতুংদা গ্রেট ৱার চংনবা স্নাযাথং পিরে বৃটিশকি অসিন অবাং হৈরবা কর্ণেল লোঃ, কর্ণেল কোঃ এস্থং মেজর গুডন এ অসিনা মওং অসুম্না চংপা মওং অসু তৌবা হায়না মণিপুরগী চংকদবা লান্মী শিংদা তাকপা থৌনা হায়রিবা মরম পুন্নগকসি লোয়রগা চংপগী তারিক লেপলে

ইউরোপ চৎপগী মতাং।

লাননী তেঙ্গোলগী লুচিংবা— বেপাটন বিলকি, লাইশ্রাং চূড়াসি, স্থবীদার, হুইদ্রোম তোম্বী স্থবীদার, চিংখাম মনাওতোন জমাদ্দার, থিঙ্গোম চূড়া জমাদ্দার হায়রিবা অসিনা অহানবা ডবল কম্পনি লুচিংবনি। খং ১৯১৬ মে থাগী তাং ৭ তা চৎপা হৌরে।

চৎলমদাই।

নববার হোল মমাং মন্দিরগী মনিং লম্পাক্তা যেরাল তম্পাক্তা অমম্বং অবাংবা পরেং পরেং যানবা, মণিপুরগী তম্পাক অথৌ, সাহেবনচিংবা পরেং পরেং কুম্বা, মহারাণী-নচিংবী মেম ১ম্বং মুপী ময়াম্না জয় ধ্বনি লাওবা ১ম্বং ব্রহ্মসভানা বেদ থিবা অস্থম তৌনা মীয়াম পৈখৎলে।

মসিদা মণিপুর ডবল কম্পানিনা অহানবদা শ্রীগোবিন্দ খুরুমলে, লৈ পরেং অমমম শিরে, অদুদগী মণিপুরেশ্বর মহারাজ অমম্বং সাহেব ময়ামগা খুৎ চিংনরে। মণিপুর তম্পাক অথৌ, মহারাণীনচিংবী মুপী ময়ামগা পুরকলে পাঙমেনবে অত লোয়রগা সিপাই মযামনি ভগা লেংশিল্লে, মণিপুরেশ্বর মহারাজনা সিপাই অমদা লুপা অমমম যেল্লে, অদুগা ব্রহ্মসভানা চণ্ডী অমা কোবিবত্র তনি যেল্লি।

তযুক্কী পুং ১০ দা চৎবদবগী লাননী ময়ামনা মণিপুরেশ্বর মহারাজগী মা য়াথং ভাইদনা লৈরি।

ইন্দক ভগৎনগী লান চংপ্লসিদি—ষণ্জেনগোংদগী পুইরেনাপ্পা গোংনাং, কোন্নুংগী থোংজাও ফাংবেনি নীনা খাঁইদৈ কৌবওম্না করক করক ইন্নখি।

মণিপুরেন্দ্র মহারাজনা পুং তারে চংপা যারনি হায়রগা ম্না থংহেক লাওথোকলকপদা মণিপুর ডবন খল্লক্নিনা চংশিল্লনা শ্রীগোবিন্দবু অতমগী মহাপ্রভুবু সনাগী বংলি তডুগা বন্নাইনা শ্রীগোবিন্দগী রচা থোংই। তে পোকরগা লাননীশিংনা শ্রীগোবিন্দগী জয়, মহারাজগী জয় লাংবেগিনা পুগনিল নিহি, নতাং ওশিদ ঢন্দ সভানা বেদ শিবা, নুপী মযাম্না জয় ধ্বনি লাওবা অমসুং শিপাইগা লাওবা মদিন অহম অসিনা পুংশিন-ডনা পুগনিল শিনখি। মহারাজ অমসুং খাঙগ অথৌ-নচিংবা মবানগি নিংঠো পি তাবা চেপ্পা মান্নখি।

ভংদগী লাননী মবামসি লাওর-লাওরতুনা চংপা হৌরে। মহারাণীনচিংবী মণিপুরগী নুপী ময়াম অসিনা লৈ মখাম চাইখি। বন্নাইনা চিংমেরোংব্রাংম ফাওবা থিল্লি, লাননী মন্নাম্না ভন গেংডুনা চংশিবা অসিগী নাক যেতো নুপী অভাংশিংনা বপন কপন ইনবসিনা লৈহৌরো হাবরা খানডুনা, চিংমেবোংদগী মত্রী পুখি, ১মুং সেকমাই ফাওবো ইন্দরবু যাওই।

মতৌ অসুম তোম্না খোংনা ডিমাপুর লম্বেল অসি নুংশি নিপানি চংলগা ডিমাপুর নুংদাংবাইদা থুংলে।

ভক্তগী সুংদাংগী চাক চাবগা সুংদাং পুং ১০ তাবগা লেপ্‌লে ॥

মসিগী মতুং থর লৈবগা ভৌখিব্রা মতৌ অমুম্‌ ভৌনা কম্পানি জমা অমুক থারে ।

মান্নগী লুচিংবা ।

নিংথৌজম বুল পসিং সুবীদার, পোরোম্‌ইবা ভেগাসিং জমাদার, মহাংস্বর যাত্রানিং জমাদার অমসুং তোনসিং জমাদার মরি অসিগা লোযনজনা থারে ।

ডিব্রাপুরিদগী বেল তোংবা অনিনা আগিনগাও লাবে অগিনগাওদগী তোংবা অদুনা লক্ষ্ণৌ জংসনদা রেল শিন্দি ভস্নৌনগী তোংবা অদুনা সুনিং তরেংনি রেলদগী সুক্কুম কুমথরনা ডিব্রাপুরদগী কোট চুরবার জংসন তরেংনি অবগী সুংথিল পুং ২"দা থুংই । মথম অসি লেণ্ডস্‌ ডাউন ডিপোগী থোংজিন্নি, মাসি যান্না সুংঙাইবা মফম অমনি

লেণ্ডস্‌ ডাউন ডিপোদা লৈবা মতাং ।

লেণ্ডস্‌ ডাউন চিং অসি মাইল ৯ মাপল বাংনা লৈবা চিংনি, মসিগী মতোন্দা লানগী ডিপো শেম্বী, সুন্দৌ জাংতি যাওদনা লানদী লিশিং যাংথৈ ৫০,০০০ কাইদনা লৈ । মণিপুর ডবল কম্পানি অসি মথম অসিদা লৈবা রেজিমেন্ট সেকেণ্ড ৩৯ গারবাল্লা ভিল্লি । মফম

অসিদগী লাননী ২০০ চনি, ৩০০ চহুন হেক হেক থ'জিত্রি। অদুগা অফিসারশিংগী লুককি অমসুং পান্নাবিদা (ইনফেন্টরি) খোংগী লান পাংন তৌবা হেক হেক চংহল্লি।, চৎনিবা অফিসারশিং— কিং-কমিশন ভাইসরয়-কমিশন অমসুং নন-কমিশন, হায়রিবা অদু অসি খোংগী লান নিংথিনা পাংথোক্লগা লানদ থ'জিল্লি। লেগুস্ ডাউন হায়বা লম অসি উন যামন ত্রই, হিমালয়'চিংগী মখোংনি; য়াম্না নন্না উনদি ইন্দি ৫ রোমগী থাগ্গা তাই; উ,ুবা পুন্নক মতৌ বাওদে; লেগুস্ ডাউনদগী নাং অলমরা কাওবা অসি নৈবা নীশিংদি ময়ুম শ্লেটনা ওাক্তা কুপই অদুগা জাং তি গাববান ওাক্তা নম্না লৈ। অদুগা নুপীদি ওবখগ চপ মান্নে; নৈশাবী মৌ খায়বদি মরাইবক্তা। সিন্দু নমলগা মৌনি খংনে।

গারবানশিংসি—নুপী, নুপা চংদুনা লৈ ইংখে যাম্না কন্না হোৎনৈ অদুগা নুপীশিংদি নোংজা শাক্কি শাবা যাম্না নিংথিনা হৈ। লেগুস্ ডাউন অ যামনা ইংই, নিংথম্মী, চাবা থকপা ইহাও হাওই ১ অমা অযেক্তনু য়ামনা ফৈ। লুকাক অমসুং পাসম কৌবা লম অনি অসি যাম্না নুংঙাইবা মফমনি, মদ অসিনা ইণ্ডিয়াগী পুন্নমক্তা লান পাংন তৌফমনি অদু নুংশাদি থর কল্লি, নুংদাংদি ইংঙি, থবক্তি নু

দুপা চংতুনা যাম্না নিংথিনা শুই। লম অহগীদি বাওসি পৈ মপে লোয়নৈ অহগা মতসি কক্লগা কম্পানিদা থাজিল্লি।

বৃটিশনা লানম্মাশংদা পিজবসি যাম্না নিংথিনা পিজ্জ-পিথকই। থা অমদা মী অমগী সের ৩০গী হিংদা পি, চযুক্তা চাক অহুগা মুংদাংদা তল পিজ্জে, ঘী ছটাক অম, রেঙ্গাং-নাপি, ভানচিংবা নিতিগী পি।

লেংগুস ডাউন ডিপোদা মণিপুরেশ্বর মহারাজ চূড়াচান্দসিংহ অনিরুক লারম্মী। মহদা মণিপুর ডবল কম্পানিনা গোয়া লানগীশিংগী ফিজেৎকা চপ মান্না শানগী ইউনিফোর্ম শুনা শেৎলগা মহারাজদা সল্লামী চংপদা মিত্তা পিতাখি। মহারাজনা মণিপুরদা লেংথোক-লদাইদা করি হায়রম্বগে-হায়রবু মণিপুর ডবল কম্পানি মসিবু এগী ওইনা লৈজরগদি মুভাইখ্রিনদা হায়রুনা শাহম্মী। লেংগুস ডাউন ডিপো অসিদা লৈবা মীতৈগী পার্কতি লাইরিকয়েংবম তোম্বীসিং অহগা বিজয়সিং অনি সিনি।

(লানচংবা মতাং)

মতো অম্মুম তৌনা লেংগুস ডাউন ডিপোদা লৈবা অসিদা ব্রারগী কমাণ্ডার-ইন-চীফনা লান চংল্লো হায়বা পাও চিরন্না খৃঃ ১৯১৬ আগষ্ট থাগী তাং ৫ দা বোম্বে তম্না মাল্লা তৌরে। মুসিং ৪ নি রেল-তোংলগা

দুন্দিদাং পুং ৬ তাং বোংহৈদা থুংং৬। মহদা নোংম
হেৎগা বেংখেৎগী সনক্ৰ খোংবান্দগী মাইল নাখাং
হুমক্রোম জাহাজ মচানা লম্ব শেংগা গাহু লাম্লোকনু
সঙ্কু ছক্রবদা লানিগী পুম্বা জাহাজ হচৌবা, কারতোনিস
কৌবা অমা তোংখংলে।

কারতোনিস জাহাজগী মনুংদা তৌবা থবক।

জাহাজ মনুংদা মতৌ করম তৌবগে হায়বা
জাহাজগী কেপ্টেন সাহেব অদুনা খোরব্রগা অহানবা
লাইফ বেল্ট কৌবা চেংগাংনা মনুংদা যুমলগা থক্ত
ফীনা রোমবা অদুগুম্বা পোৎ অদুনা মী, পুম্নমক থারক্ত
পুনশিনবিরে। করিগুম্বা ঈশিংদা তাবা পোৎরবদা হেৎব
শিংগীথুংলাই টরপিডোনা বাপখাইখিবা থোক্লবদা লৎ
হর লেনবা য়ানবা হাযদুনা থোরাং তৌই।

জাহাজ কেপ্টেন্না জাহাজ মনুংদা পাওতাক পি
ডসি অমুক পুং ৮ দগী নুমিৎযুংবা ফাওবসি মওং লৌ
অমুম তৌগদবনি হায়বসি তাকই; পুং ১ তারা মতম
চৎপা য়ারে হায়দুনা হুকুম ফংলদুনা ভারত মহাসাগরদা
যাত্রা তৌরে।

কারতোনিস জাহাজ অচৌবা অসি মী লিশিং ৬
অহম লোম কন্দপ তোংঙি।

অহানবা জাহাজ থারকপা মতনদদি মতু-মচা রপ-মপাং, বাড়ী সম্বন্ধ নিংশিংনরম্মী, মনিং তনি হৌ হুক্লিক্কনা ভারত মহাসনক্রগী মথায় যৌশিল্লবদা হৎক্লা য্যাগাওগী মতৌগুম্না জাহাজ চৎপাগী মনিং মগা মুত্তাবসনা ঙা অতৌবনা তোং ফম্বা, ঙাশেম্বাংনা পাইবগী মতৌগুম্না জাহাজগী ইরা মহু পাইহনা শাম্না রিবা, হাবরিবা মনিন পুম্নমক অসিগী মনুংদা মথক মসিনা হিরাই হৌরহনা মী পুম্নমক অসি মক্তোক ঙ.ও-না ওথিবনা তঙকপনি।

মতাং অসিদদি মী পুনমক হিংবা বাখল অমত্তা তৌদ্রে। শিবগী বাখন্দা থরে।

মী পুনমক অসি অহানবদদি মরূপ-মপাং, মতু-মচা নিংশিংনরম্বহ মহাসাক্রগী মথায যৌশিল্লকপা অসিদদি অকিবগী মশক ফংলবা অাম্বং তাঙকুপগী মশক উরবা মতাং অসিদদি অতৈ শোম্নকতবে শ্রীগোবিন্দবু অদুগা হনুমান ঠাবুরবু বৌনবকলে। তাইবং মী- হাযবা জাৎ অসিদি চেকশিল্লকপদা তৈতে অমা কৌবা লৈতে। ঈশ্বরদবুদা মকৌনরকই, হা গোবিন্দ! হা কৃষ্ণ! হায-বসি চপ মান্নরকই।

ভারততা লাপনা লৈহৌরিবা প্র্যামকতবু অমুক্তম্ব নিংশিংলুদে, চেকশিল্লবা কান্দা ম্যাক মনাক্তা লৈবা মী-শিং অহতবু নুংশিনৈ।

অহুম তৌনা সমক্র চংপা অসিদা মুনিং নিপা হুবদা ব.সন্নাদা, মুংখিল পুং ৬ তাবিদা থুংই, বাসরা অহিং অমা লেৎলি, ময়ম তসিদা লান্মী পুম্মনক পো, থানবদা, মুংভাইবনা পান্দমনিঙাই লৈতে।

নোট :— হন্দক মণিপুরনা অর্ম্মনগী লান অচৌ পাংবা তসি মণিপুরগী পাখংশিং অসি মশানা য়াক্লিহ (ভলন্টিয়ার) ওইরবা ডাক্তর পাস তৌরবদি মী অমা লুপা ৫০ বাংখৈ পি। থুরক-ইনক্রা লানমী খি মশানা য়াহুনা পুরকপা মী অহুনা কমিশন লুপা ৩ পি, মশানা য়াহবা মীদি নমহুনা ফাবা য়াদে হায়া হুকুম তৌই, মসিদা নম্বোনগী য়াওজবগী মনাও নিপা গুনামজাং কৌবা পাখং অমা ফারহুনা গুনামজা হাংবা অসিনা ঐদি চংচবা ওমজরোই হায়বদা যাওজবং মনাওনা নমহুনা ফ.রুই। গুনামজাংনা মক্রা থুগী য়ান্দুনা হাংখি।

মহারাজগা বৃটশকনা মশানা য়াদবা মীবু কৱি ফ.বগে হায়হুনা গুনামজাং হাংবহুবু ফাঁসি পিখিরে

ইউরোপকী লানফমদা-হুঙ্গং হন্দা চংপা মতাং

হন্দক জর্ম্মন লানজাওদা মণিপুরনা পাংশা মতা অসি লান মচিন মক্তে, লান মবায় ওইনা থোক

ফ্রান্সকি মফম পুম্নমক অসি অহানবা লানজিন্দা থুগাইরম্বগী যুবা দলাল কিন্নহুনা অমসুং বম তোপকি মরু থুংশু থুংলাই মতেক মতানা চাখাইদুনা লৈরম্বসি ফ্রান্সকি মফম পুম্নমক্তা উবা ফংডি। মতাং অসিদা জর্মনশিংনা ফ্রান্সকি বোবেল, আরস অমসুং পারিস সহরনচিংবা মফমশিং অসি থাদোক্তুনা ফ্রান্সকি সমদ্রু মপান মাইকৈ অমদা লান অচৌবা অমা উত্তুনা থমনগা কৃষ্ণ সাগরদা লাক্তুনা মিস পুতুমীবা, তর্কি হাববা লৈপাক অসিগী চীংনা কোইশিনবা কিলাগী মফম খুদোং চাবা, থুগাইবদা যাগনা খাবা মুশিন কৌবা মফম অসিদা কিলা হাদুনা তর্কিদগীনা বাগদাদ, কুফা অমসুং ইরান ফাওবসি কেশিল্লক্তুনা এশিযাগী লম অসি ফাওবা লৌশিল্লকই।

জর্মনশিংনা তৌরকলিবা মতৌ অসি বৃটিশনা উরকনা এশিয়াগী লমদা লানজাও থেংননবা থৌরাংলকলে, মধ্য সাগর, লোহিত সাগর আরব সাগর হায়রিবা সাগর অসি লানশিনলক্তুনা ফ্রান্সকি মফম অতৈদা লৈবা জাহাজশিং অদুগা ইটালিদা লৈবা গোরাশিং অমসুং জারভকী লানমীশিংগা লোযনদুনা কৃষ্ণ সাগরগী মপান্দা শিনগা কিলা অচৌবা অসি থুগাইনবা থৌরাংলে।

[illegible] রিবা অডকপা ১সুং অকিবা ফংলবা [illegible]সিগী মপান মপান্দা জাহাজ, থৌদুনা [illegible]

লানমীশিং অসি বৃটিশনা কযাগকম য়াম্না চেকশিন্না পুৱগে হাইবসি কায়তোনিস কোবা জাহাজ অচোৱা অদুদা জাহাজ চাশিংনা ইকোয কোইনা চপশিন্নগা য়েকনবগী খুৎলাই টরপিডোনা থুগাইনি হাবদুনা মতৌ অসুম তৌনা আরব সাগর, কৃষ্ণ সাগর যৌনা বাসরান-চিংবা সমদ্রুগী মপান কাখৎলক্তনা তর্কিগী লানজাও থেংনবগী থৌরাংলে।

বৃটিশকি মতিক মগুণ, লানগী খুৎশু খুৎলাই অমসুং চান থক্তবা লানজাওগী পৌরাংশিং অসি উবদা, করিদা পান্দম পিগনি অঙবপা অকিবগী মশক ভাক্তা ওই।

মতৌ অসুম তৌনা ইউরোপকি লানগী গৌরা-শিংগা ভারতকি লাননীশিংগা ভিন্নরগা ইরাণদগী থৌনা জর্মনশিংবু তকথোকপা তৌরে।

মতৌ অসুম তৌনা ইরাণদগী লানজাও থেংনা থেংনা তকথোকলকপা অসিনা বৃটিশনা ইরাণদগী বাগদাদ, কুফা ফাওবা অসি ভম্না ভম্না লাকলি।

মিস পুতুমিয়াদগী বৃটিশ লান তকশিনবা ঙমদ্রে। জর্মনশিংসু তকথোকপা ঙমদ্রে। মুশিনগী কিলাদা জর্মনশিংনা লাম্পাদি জর্মনগী হেক নোজবা অকনবা লানমী, খুশু—খুৎলাই অফ অকবা ভাক্তনা পৈশিন্দু, কিলাসি কদাইদা শোইগদগে থন্দুনা ঙাকলি।

তর্কি লানজাও অসিদা শিনবসি হায়নিংবার লেত্তে। ইয়োপকী লানমী অসুম ভারতকী লানমী অনি অসি মুশিনগী কিলা অসি থুংবা হোৎনবসিদা ব্রার চুড় (লবুক) অতোম্বা অহদা থোংনাং চোংশিন চোং নান যাম্বশিবা [illegible] সজ্জী অমসুং খুগ্রীনা থবক [illegible] ককথৎলৈ [illegible] কনানা নোংংকৌনা কাপশিন্নে, মথাদা মতৌ অসুম তৌনা তৌনরিবা মথক্তা এরোপ্লেন যাংশৈ [illegible] পাইখৎলিবা [illegible] আমদুনা মেচিনগন কাপ্তুনা [illegible] সাগরদা [illegible] জেমা লাওনা তানরিবা অদুগা [illegible] ফোলদা মৈ চাক্তনা [illegible] তানরিবা, মুশিন কিলাদগী [illegible] ৪১৫ গী [illegible] অসি মীশিংনা লেপ্লোম ওই; [illegible] [illegible] ওইনা চেল্লে। মসিগী মরক অসি [illegible] বেলুন [illegible] মানব্বা [illegible] পুমা লৈ। [illegible] জোংহনা [illegible] নম কাংবু (কিল্ড শিকিরিত্তি) [illegible] নম্নবা হোৎনে।

মতৌ অসুম তৌনা যাম্বশিনা চাবা থকপা লৈতনা [illegible] [illegible] [illegible] নমন অসি কমনথিন্না [illegible] [illegible] হায়নবা [illegible] চৎলি। মতৌ অসুম [illegible] [illegible] কিলা অসি থুংাইবা চমত্রে মহৈ মহৈ [illegible] [illegible] তৌনহনা লৈরক্লি।

[illegible] অসি মরেদি করম লৈনৈ—জর্মন [illegible] [illegible] কোইবদা এন্টি-এয়ারক্রেফ্ট কোয়না

যুংহ্না মথক্তা এরোপ্লেন পাইদনা [illegible] খুংলাই লামী অকন অকনবা পৈশিন্দুনা [illegible] অমসুং ভাবতা লানমীশিংনা মতৌ [illegible] পুতুমীষাদগী বাগদাদ, কুফা ফাওবা অদিং [illegible] মসুংদা লৈজুন ঙাক্লি। ত্রেন্স হায়বা অসি [illegible] তৌই হায়বদি খোংবানগুম্বনি, মসি মাইল [illegible] শাংবা, ৫০ শাংবা, অমসুং [illegible] লি।

খোংবান মনুং [illegible] চাবা—থকপা [illegible] তুম্বা পুম্নমক [illegible] থক্তনা অদুমক লৈখ্রবনি, মথক [illegible] সঙ্গীন মতোন লিখৎপা [illegible] পগা গুল্লিনা হেক্তা পাল্লি, [illegible] যাবা পোং নক্লে। মতৌ অসুম তৌনা খোংবানদা চাবা থকপান চিংবা পুম্নমক জেনেরেল [illegible] সর্দারশিংনা খোংবান মনুংদা চত্তুনা অদুমক [illegible] মসিদা মণিপুর ভুবন কম্পনি অসিদি কেপ্টেন [illegible] লান মনিংগী থওয়া তুনা মী কয়া শিদে।

মিশ পুতুমীয়া অসি [illegible] কয়া [illegible] লৈঙোই লম ঙাক্তা ওইনা [illegible] নাহিং ফংদি ফংঙি হায়রবু কয়া [illegible] মিন [illegible] মীযাগী মুপা, মুপাদি ঙোরোব [illegible] অহগা মুপাশিংদি কমনী [illegible]

অতুনা মমাইদা খুমহনা থোরকই ; মুপীশিংদি ঈ থাংনা চৌই মনাতোন্দ নাসিকা হাপই, অমসুং মন্যাদা "হাবরার" মাল্লি, লৈশাবী, মৌ মশক খংনবদি খুজিদা খংনৈ। লুহোং থোদোংবদি প্রজা প্রেত্য চৎলি, চেনু চোংবা গন্ধর্ব বিবাহ কযা য়াওরে। আরবতগীনা ইরান দাওবা অসি উ, ব্রা, চিং হুচোবা কয়া লৈয়তে ; মফম অহগী উ অচৌবদি খর্জ্জুরনা নম্মী। হায়রিবা লমশাং অসিদা লৈরিবা শা, উচেক, লিম্নচিংবা মচু ওহোকপা যাম্না লৈ ; শগোল, শনগী অমুং অসিদি অচৌ-অচৌবা যাম্না লৈ। লিনদি লৈহোই মরক্তা লৈ, মচু যাম্না কম্রি, চিকপদা মী শিগল্লি। অচুগা মখোইগী মরোন্দি হিন্দিদা উর্দ্দু যাল্লী, "খ" গী শরুক য়াম্না শিজিন্নে। মতৌ অসুম তৌনা খৃঃ ১৯১৭ ফাওবসি জর্ম্মনশিংসু অহগা বৃটিশশিংসু হাযরিবা মহাসমুদ্রশিং অসিগী মপান মপান্দ জাহাজ থোতুনা লানগীগী চান থরুবা হঙ্গৎ হন্দা, হোন্দোক হোঞ্জিন তৌনতুনা অশুম্মক লৈনরি।

মণিপুরগী কুলি কোর চৎপা মতাং।

শ্রীযুৎকী বিদাব লৌনরকপা।

শ্রীশ্রীগোবিন্দজীউ পরিক্রমা লোইতুনা দগুবৎ কংচরবা মতুংদা ফ্রান্স চৎকদবা মৈতৈ মচা পুন্নমক দাদায লৌনরকলে। ব্রাহ্মান খিবিরুা, শ্রীশ্রীগোবীন্দজীউগী

নির্ম্মাল্য পিনরে। শ্রীযুৎ মহার,জনা চণ্ডী, গীতা, শ্রীশ্রীরাসপঞ্চাধ্যায়, কোরি যন্ত্রনচিংবা পিনবীরে। খৃঃ ১৯১৭ ১লা এপ্রিলদগী ৩০ মে ফাওবগা কুলি মিশিং অনি চিনাপুবদা থেন্দুনা লৈনরে। ৩০ মেগী অহিং পুং ৯ তাবদা রেল তোংখৎনৈ, মতৌ অসুম তৌনা জর্ম্মনগী লানজাও পাংনবা মণিপুরগী লানমী ডবল কম্পানি থাজিনবা হৌরবা অসিদা বৃটিশনা করি অমুক হায়রকপগে হায়রবু মণিপুরগী কুলি মিশিং মরি ৪০০০ পাংডু হায়রকপে; মসিবা মণিপুরগী মহারাজনা যাবুনা হায়রিবা কুলিশিং অসি থাবা হাবনা লেপনরে, অদুগা মশানা যাবা অদুতা তৌবা হায়নৈ।

নোট্‌ঃ— [ষ্টেট কর্ম্মচারীদি দণ্ডগা চৎকদবনি হায়না হুকুম তৌই। মসিদা অযাবা কর্ম্মচারী খরদি চৎলে, যাদবা কাংবু—বাবুসিং, হাওবন তোম্বী, অঙৌম্বারাজকুমার অমসুং মাঘসিং মরি অসিদি ঐখোইগী হিন্দু গৌর ধর্ম্ম মাংগনি চথলোয় হায়দুনা বেরা তৌরে। মসিনা মহারাজগা বৃটিশগনা মীতৈ হৌনবী মতুং ইন্না দণ্ড তৌরো হায়না ডাকলে, অদুদগী থাংগদা মতম খর লোই থারে। থাংগদগী অমুক মক্ষম অসিদা লৈবা যাদে হায়দুনা কবোদা জিলা খারিজ তৌখি। হায়রিবা অসি অসুম চৎখিদুনা রেঙ্গুন বৌখি, মতৌ কবোদা শিহৌই; অদুন অদুনা বৃন্দাবন, ...

ল, ইনিংদুনা লৈখি, মতম খর লৈরগা বাবুসিংগী মণিপুরেশ্বর মহারাজদা নুপী অভাং লৌজগে হায়দুনা দরখাস্ত থাবদা মহারাজনা যাবীরদুনা লাল লোয়রকপগা মতা চাখিহনা অসিদা অদুম লৈখে। মতৌ অদুম তৌনা বা থোকনখি।

কুলিশিং অসি থুৎপু মরি থোক্না খাই। থুৎপু অনিগী কুলি ১২০০ দি মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট, লেপ্টেনেন্ট কর্ণেল কোল সাহেবনা পুখে। মণিপুর ষ্টেটকি ইঞ্জিনিয়ার সাহেব, কেপ্টেন জেফ্রিনা মাওগী কুলি ৫০০ অমসুং খোংজাই ৬০০গী এসিষ্টেন্ট কামাণ্ডিং হোইদুনা চৎলি। মসি ইণ্ডিয়া কুলি কোং ২২ নং শুবা "এ" সেক্সন্নি। মসিদা সুপারভাইজর ডরব্রাবতি সাহেব, শ্রীগগনচন্দ্র দে হেড মেন, শ্রীখরাইরাকপম নবকিশোরসিংহ এসিষ্টেন্ট হেড মেন, শ্রীলৈশ্রম গোকুলসিংহ হেড ক্লার্ক অমসুং শ্রীঅথোম মায়সিংহনা সেকেণ্ড ক্লার্ক ওইদুনা চৎলি। অদুগা সুপারভাইজর ষ্টিফেন সাহেব অসিনচিংদনা খোংজাই কুম্পানিদা লুচিংই। কলদা হুমাং শোগম্লগা ইংননবা লেন মতুম মতুম য়েল্লি। অসুম্না অনৌ অনৌবা লম পুম্নমক মিৎ পেন্না য়েংদুনা থং মথং চৎপনা খণ্ডুয়া, জব্বলপুর, কাশী (বারাণসি) অমসুং পাটনা লাল্লগা সাওঁতাল পরগনাগী ষ্টেশন অমদা থুংলুরে। মতুদা পুংলৈ অমতং পোথারিভৈদো নৈতৈগী হাওশিংনা হুই অনি ফাদুনা হাৎলি। মতু

মুন্নবদগী হাওও মশেন খংনহনা মী মবি মভাগী মংং থাংনা শোকনৈ। মহু উবদা লম অহুগী মীনা ইঙক ঙকহুনা অকিবগা লোইননা হংই, মখোই অসি করি জাৎনো? অহুনা চংথিবাশিংগী কনাগুম্বনা খুম্মি— মখোই অসি ভারতবর্ষগী নোংপোক চিংথৈদা লৈবা জাৎ অমনি ; চাবগা শা, ভা খাকপা লৈতে ; (ঙ্গবার ওইনা) খুদোংচারবদি মীমু চাই। অহু তংবা লম অহুগী মুপী নহা ময়াম কাযতনা চেনখি। অমুমনা সুভাইনা চংথুসিদা রেল মমুংদি চরী নাগবা মচাই, কুইনা পোংথবা মতম শংদে। তককনি শুরকপা নোংী তাং ৫গী অমুক পুং ১০ তাবদা বোম্বে বন্দরদা থুংলুরে। অমখদা থিন্নুনা শেমথ্রবা রেল লম্বীনি। বন্দর অহুগী নিংথিবহ উবনা মী পুম্নমক মিং বুপুনা য়েংলরকে, অমুম খৌরাংবা পুম্নমক নিংশিংনম্রে। মপাল নাইদ্রব সমুদ্রগী চাংজোদা ফুট তরানিথোইরোম ব্রাংনা মুংন ঈঙ্গ্রি শিংলম্বা উডামগী মশক ওইবা জাহাজগী মপৈ মপৈন থাংখিব্রা, রেল, অমমুং ট্রাম, তাগনা তামনা অতৎপ লৈতনা চেল্লিবা পাক্লবা সরক মথক্তা ককচেংগী পন্দি ওইখ্রবা মীনা হংঙ্গং হন্দা চংখিবা হিদাকশং জেলুবে হাসপতালদা ভুকিবন্দিশিংনা লৈবম্বা, অকিসনচিংবনা মরং মরুক্তা খক্কিবা দোকান পবেং লেংবনা য়েংবদা মীংক ঙ্গামখিব্রবা পুকনিং হুনবগী মশকনি।

জুন তারিক ৫ দগী মুনিৎমুংবদা মণিপুর কুলি ১০০, খোংজাই, তাংখুল ৩০০, হিন্দুস্থান (U. P.) গী ৭০০ অমস্তুং অতৈ অচোইবা মী খরগা লুপ্না লিপিং অনি পুন্নপা কারতোনিস কৌবা জাহাজ অদা তোংখৎনরকলে। লাইফ বেলট কৌবা চোংগাংনা নুংদা কুলগা থক্তা ফিনা য়োমলবা খাওনিনা হকচাংদা দাক্লে, কবিগুম্বা খুদাং চাদহুনা ঈশিংদা তাবা থরবস্থ শিদনবা লৌশিং পুন্নক জাহাজগী কেপ্টেন অদুনা মী খুদিংদা তাকপিরে।

খুজিন খৌবাং অসি লোইহুনা সননক্রসাঙ্গ হয়াহ পংনা মাইল মখাই অদবাদা চংলগা লোঙ্গরনা জাহাজ অদু ফাজিল্লে। অহিং অদু মুংডাইনা পোথানৈদা

মদুদগী হন্দুনা যেংবদি বোম্বে বন্দরবা থাংবৈ নবনা মুনিৎ মথাম থোকপগুম নিংংদ্রি। শজিক মবক্তা, তোমখিন হুনবা থানা, নৈচিন নোংকাই মরক্তা চারকপা উবদা, মবৈপাক ওন্নগা থোইক্লেং নুংজেংনুরে; ভুমি ভারতবর্ষবু থাদোকতুনা থাপশুনা মীরৈপাক বাংগা তম্না যাত্রা তৌরকপা কান অদুদা হকচাংগা নিংগা যনবগুম থাদোকখিব্রবা নুংশিবা মকপ মপাং ম্বিরীকপু শিনরকলে। থন্নাং চাংজৌবু মেৎতুনা মণ্ডল মণ্ডল থন্নরে। খাশাংলবা নুংশা তরংগী শজিনা মরুভূমিদা যেংশি

য়েংখিবদা মাইগে পুন্নমক ইশিং ওইনবা উবগুম মংহা ওইনা নিংউ নিংউবা পুন্নমক মাংদা ঙম্না উরম্লে।

শ্রীশ্রীগোবিন্দজিউগী শ্রীমূর্তি দর্শণ অমুক ফংলরোইগব্রা অদুগা মণিপুর ম্না লৈপাক্তা অমুক হন্দোলকপা ঙম্ব্রোইগব্রা হাইবা অসি পুন্নমক মামল্তা মপি শিন্থনৈ। থা উবদা থরোনা মমাই নকতুনা নৈবগুম নৈতৈ মচাঁ পুন্নমক মক লৈদা লুকতুনা ব্রাম্মনগী ইপাক্তা তাওনরে। নোংইন বৌবা উচেকা থাগী আমৃত চুম্নগুম ম্না নাক্তা শ্রীযুৎকী মঙাল ফংজবা অতুবু নৈতৈ পুন্নমক্না নিংশিংজে। অম্হন্না মনাইশিং খিবাক্না ব্রাবনা পান্দোম লোম্হনবা কাল অদুদা বিষ্ণুগী অংশ ওইবা শ্রীযুৎকি কৃপা অমত্তং পিবিবদা ঙম্না শিবা কিনরম্লে। মণিপুরেশ্বর মহারাজগী শাবাথং ইকোক থক্তা পুনা হৈবপাক্কিমমক চৎশিবনি হাযবসি খল্লুবদা, অব্রাবা পুম্নাক বাওতুনা অব্রাবা মনক্রগী ইপাকশতে। নৈরম্বদগী লুংডাইবগী ইপাকশক্তা তাওনরক্রে।

মণিপুর হাওরানগী মতাং।

মতৌ অম্হম তৌনা মণিপুরগী বুলি পুন্নমক অসি ক্লান্স তানা চৎখিদ্রৈগী মতুং অসিদা মণিপুরদা মতৌ করম তৌরকপগে হায়ববু চিংঙাখন স্নাজাওবা হাম্বা অসিনা মণিপুরগী চিংদা নৈবা গোংজাই শিংদা লুচিংনা

লে অমা খৃঃ ১৯১৭ অসিদা লাল অমা থোকখি, মণিপুরগী চিংয়া তমযাদা গী খর শোকখি অহুদগী মণিপুরগী ...হার্‌জনা বৃটিসকি লাননীগা লোয়নহুনা মণিপুরগী চংয়া তকোইবা শেকমাই, মাকলং, ইরেংবম, বিষ্ণুপুর, মাইরাং, শগাং, শুগুনু, থোংজাও, পলেল, হৈরোক, শথোং, তুমুখোং হাযরিবা মফম অসিদা কেম্প শাহুনা তম্পাক্কি হত্নাং মুপি শোক্তনবগীদমক লান ভাকখি। ...দগী মহারাজনা দাগপি কৌবা হাওখুন্দা কাখৎহুনা লেঙ্গোল খুগাইখি মতৌ অহুম তৌনা মণিপুবদা হাওরান হাযহুনা থোকপসি খৃঃ ১৯১৭ তগী না খৃঃ ১৯১৮ ফাওবা ...দা চিংতাখম মাজাওবা অমচং থোংজাই দা চিংবা খুরগা ...হুনা জিলা খ রিজ তৌখি মথবাইদি হাৎপিখিদে।

অহুম তৌনবিবগী মমুং অসিদা খৃঃ ১৯১৮ অসিদা ...স চৎখিবা বুলিশিংসু থুংহরে মতুদা মণিপুরগী পলিটিকেল এজেন্ট কোস ক্রেপ স হেবনা বুলিশিংদুগী ...দা নথোইনা লাল হৌরবপসি তৌহনগদু হাযনা ...ওয়াক পিহুনা চিংগী মী পুন্নমক্তা নথবাই মাংগনি ...হাযহুনা খংহনখি।

(সুয়েজ যাত্রাগী মতাং)

জুন তারিক ৬ কী মুংথিল পাং মরি তাবদা ...জাহাজ অহু সুয়েজ তম্না যাত্রা তৌরক্নে। জাহাজ অহু

মখোন ব্রাংলা খোংগংলুকে জাহাজ অহুমী মপ্কী থাকী অমু ঈশিংদগী যুট কুনলোম ব্রাংই। সংবান্নবা ইপাক অচৌবা অহুগী ঈশিং ইপোম থিনগাইহনা নোংচুপ পাংনা চংলম্রে। আরব সাগর হাযবসি ভারত মহা সমুদ্রগা তিন্নবা মরম্না মুংশিং শিত্রবসু, ঈশিং অসি ফুট ১০।১২ য়োম ব্রাংনা ইথক কাই। অহুগা মুংশিং কুন্না শিংঙবদি জাহাজ পৌবা যাদে মফেনা হাইহনা লৈ। বোম্বে বন্দরগী মথা মাইল অমা, অমা মখাইরোমদি ঈশিং অহু ইনৈ নৌ সমুদ্র অতৈদি অহুমা ভোদে। সমুদ্রগী ঈশিং হাযবসিমক্তবু থুগহি ভাক্তনি। য়াকুমুনবনা তংবা যাদে। ঈশিং অহু মরিক অমতং য়াদা চংখ্রবনি ঈশিং থকনিংবা ভাব কবিসু লৈতে জাহাজ তোংলিবা শিংনা থকুবা ঈশিংদি সমুদ্র। ঈশিং অহু ইল্লিম্না শেংদোকই।

অরিব সাগরগী ঈশিংদা উতেক অচৌ অপিশক মযাগনা পারিব, উথোকত্রিবা অচৌ অচৌবা ভাগী মপৈনা জাহাজ মতুং ইনিবা মপা পানবা ভা অচৌ অপিশক মন্নামনা ঈশিংদগী থর পাইখৎলগা অমুকন্থ ঈশিংদা লুপথখিবা, ইপাকপক অড মাইল অমা মখাই-রোমদগী হেনথবদি যেংবনা ইগম মমখিবা চাংজো নাইত্রবা ইপাক অহুদা অমুক নোংঙাল্লকপগী মুমিংনা মমাগী থম্বাল শাংবাদপগা পুকনিং হুনবগী মশক

থইনা লৈচিন নোংফাই মরক্তা ঈশিং মনুংদগী চোংথোরকপা হমুকস্থু তারমদাইদা সা অহিংবগী মচু মান্না ঈশিংদা চোংথখিবগুম নিংহল্লিবা অহু উবদা নুংশিবা অড়কপা পোকই, অমসুং ফজবদা জগৎতা পান্দমনিংঙাই লেতে।

জাহাজনা যেৎ ষেৎ হাইবদা হিরাই হৌন্না হন্দোকনরিব, জাহাজ মথক্তা বাতু কারল ভুনরিবা, মকোক ঙ.ওহনা হায়থনরিবা, সমদ্রগী অকনবা নুংশিংনা মরক মরক্তা হুমড়াকপা, অকনবা মী পুমনমক্লা শান্নবগুম্না নিংশিংবা অশোন অনা মযাম্না মথৱাই পাম্মুহনা মিপাইনরিবা, অদু পুমনমকতু উবদা অৱাবগী মশকনি। অদুগ ৱাথরবদুস্থ শ্রীগোবিন্দগী চরণ কৃপানা অৱাবা পুম্নমক্তু কোকলকলে।

অম্রম্না সুমিৎ নিপাল্লি চৎলগা হিরাই হৌক ফরক্লে আরব সাগর লান্দুনা এডেন ভুংওইনরগলগা লোহিত সাগর যৌরবনে। জাহজে মনাই অৱাং পাংন্দক্লে। আফ্রিকাগী চিংশাং উরক্লে। এডেন চংননবা লমজিন্দগী হৌনা লোহিত সাগর মশাং অদু চৎপদা হুগাং শৌবনা জাহাজ মনুংদা লৈবা যাত্রহুনা মপাল থোকহুনা হন্দোক হল্লিল চংহনৈ।

ঃনিংৎ ৭।৮ নি কংফাল উরকত্রথদগী আফ্রিকাগী চিংঙ্গুক্তহ উরল্লবদা মী পুম্নাক পুকনিং নুংঙাইনরবনে

সনদ্রুগী ইথক নেমলক্রে, জাহাজ ফেং ফেংদ্রু হায়বুরুর থরকলে।

লোহিত সাগরদা চংলকপদি মরুক মরুক্রোক্তচিং মচা মচা য়াম্না উই, সনদ্রুদা হন্দোক 'হঙ্গিন চুপ্পা জাহাজর যাম্না উবা যংই, সংদ্রুদা চংপা জাহাজ হাযবা অসিমক্তবু ব্রাযার্লস (তাব য়াওদবা) টোর্পি-গ্রামগী কোল য়াওই, মহনা সুংশংতা জাহাজ ময়ুম্না জমগা পাও চংনৈ, অমুমনা মুসলমানগী তীর্থ অথোম্নবা মক্কা লুমদম হেল্লবলে। এশিয়া তুর্কিগী মিসপুক্তুমিয়া চংপা লমজিন যৌরম্রে। মসিদা মৈতৈ পুননমক জময়া জমগা চিল্লোকনৈ অমসুং শ্রীযুৎপু মীবামনা নিংশিংনৈ, অমাংডৈদা মবুধো ইবুংঙোশিংবু অৱানা তানখাইরিবদা বৃটিশনা, মৈতৈগী মীচংদা নেপ্পুনা খুংলাই পিবিখিবা মৈতৈনা পাঙ্গল থোকহিবা পুমননকতু মরা পুকনিংনা নিংশিংবিবক্তনা কৃতজ্ঞ ওইবা শ্রীযুৎ মহারাজনা বৃটিশকী মতেং ওইননবা ডবল কম্পানি নিংবিহুনা ফ্রান্স অমসুং নিসপুতুমিযা কৌবা লম অসিদা জর্মণ অমসুং তুর্কিবু মযোক যাহনবিরি অমসুং মৈতৈগী মীংচং তালহনবি।

ডবল কম্পানি অসিদা শ্রীযুৎকি প্রাইভেট সেক্রেটারি মীস্টর বেলকি সাহেবনা কামাণ্ডিং বোইখি। শ্রীযুৎকি মনাই অচানবা ১লা নম্বর সুবিদার শ্রীলাইশ্রম চুরাসিংহ অমসুং ২নং সুবিদার শ্রীতইদ্রোম তোম্বীসিংহ অসিনচিংবা

তুকন অকনবা মৈতৈ মচাশিংনা লান্দা মাই ওদনা শ্রীযুৎকি মায়াগং মকোক থক্তা হাপখি। নিংথৌগী দগক ইরেপাক্কীদমক অমস্থং স্বজাতিগীদমক মাইহোকনা তকিবা লৈতনা তাইবংপানবা সিনবা থুংনা শোরবিবা মহাযুদ্ধদা চংখিবা মখোই অদুবু থাগৎপনা মতিক ওই।

লান্দা অনিবা লৈতবসিদি মৈতৈগী মহৌশানি, তুশেংবা অঙাংগী বংশনি হায়না লৈপাক অযাম্বনা খাঙলৎনখ্রে, অসিনচিংবা হায়নরগা শ্রীযুৎকি নাম ফান্দুনা জয় ধ্বনি লাওনখি; অস্থুম্না বোম্বেদগী চৎলকপনা মুমিৎ ১৬নি শুক্রবা মেগী তাং ২০দা মুবেজগী খোংবান য়েংওইননা থনমলগা কংফান কাবথলে। মসিদগী বেল-গাড়ি তোংদুনা মাইল ৩ চৎলগা পোৎশাফম ক্যাম্পা অমদা থুংলুই। মফম অসিনা উযুল পাইরম্বা, লৈক লৈরাই ১মুং ক্যাম্পনচিংবা মশিং নাইদনা লৈরম্বা প্রকৃতিগী নিংথিবা পুম্নমক উৎ ওইনা তারম্বা অদু উবদা অকনবা লানফম তৌথিবা কুইত্রি হায়না থাজনৈ। লান্দা শিখিবা সাহেবশিংগী মংলেন অমস্থু সমদ্র মযা ওইরপ্না লৈ। মফম অসিদা উ, বা, অতৈ উদে, কোনা, অঙ্গুর অমস্থং থাংতুপ পাম্বিদা মউই। কোবী, লৈপাকহব্রাই অমস্থং হব্রাইথরাকনচিংবা যেনশাং নাপিস্থ য়াম্না ফৎই। মুংশিং মুংশা য়াম্না কল্লি অদুগা হয়িংস্থ য়াম্না ইল্লি।

সমদ্রু মযাদা যুরা দোলাগ্নচিংবা নিংথি নিংথিবশ্রী যাম্না লৈ, তৌইগুম্বস্থং মুংশা যাম্না কনম্নবনা মিবুপ অমতা লৈনিংদে। মণিপুর স্না লৈপাক্কি, নিংথিবা অমস্থং ..ঙ্গাইবা পুন্নমক নিংশিংলকই।

সুবেজ মৌরগা এরোপ্লেন উরক্লে, এরে প্লেন্ন উবরি নসিনা ইহান হাল্লে, মসি উবদা হাওশিংনা উচেক ফচৌবা অমা পাইরে হাইদুনা ইনিন নিন্দুনা কুমৈ ওইনা যেংনৈ। সুবেজ অসিদা বৃটিশকি ক্যাম্প য়াননা লৈ, মসি পোৎশাকম অচৌবা অমনি, মুপীস্থ নিপাস্থ শক্তে যজে। মফম অসিগী মুপীশিংদি থুদোল অনিরোম চাওবা থুদোল ৬ লোম শাংবা উতোং অমনা (কনা-গুম্বনা পিথ্রাই নত্রগা স্নানচিংবনা হৎলি) শংগ্রেং খাইফমদগী শমলাং থরনা মতোল অমদা পুনশিন্নগা, চুমগ্রিং চুমনা মনাতোনগী মথক্তা থাদরকই। মসি য়াম্না লেম্বা ধর্ম্মগী শংনব থুদমনি হায়। মফম অসিগী মীদি হবান চিংস্থ যাম্না তৌগন্নি। অদুগা মসিদগী ইজিপ্ট শহর বৌব রেল নম্বী অমা চংখি। মুপীশিংদুনা নেজাও থেংবলকপদি নীনা উদনবা মমাই মাইথুমগুম্বা ফি দরংবা অমনা কুপশিন্দুনা মতিংতম্ক ফাংতোকই। মদুনা মগোইগী তবেদী ফজবী ওইনা তৌনৈ। মদু খদবা নীনা অমম্নবদা উদ্বদি থংহুনা অন লাইবলনংঙ্গি। ইনাক থুনবা মীদি যুরা দোলান্দা লৈ, লাইরবাগী

সমুদ্র মথাদা উবদি লৈদ্রোই মথক্তা কোনা অমসুং থাংজুপ মনানা থাংপোক খন্দুনা য়াম্না নংনা লৈ।

মখম অদুদা সুমিং মরিনি লৈরগা মেগী তাং ২৬গী সুনিংনা লৈংথখ্রবা মতমদা রেল তোংদুনা চংলি। লোং ডাহগা মিশর লৈবাক্কী অচৌবা সহর অমা ফংলবে। রেল কম্পী অদুগী নাক বেন্না নম্বুল তুরেলগী চাওবা শীনা শেম্বা লৈখোং অচৌবা অমনি চেল্লি, মতমগী লৈবুকলোমদা ঙসিং পুশিল্লি শংবান্নবা লৈবুক অদুনা নাকল খনিদা ইশিং শংনা লৈবদু যেংবদি সিং পোন্নবগী মশক্নি। পৃথিবীগী মফমদা অদুম সিংথিবা লৈবুক নিংথিবা অমা লৈরমগনি সিংদে। লৈবুক অদুদা অঙ্গুর পাম্বী অমসুং যৌনচিংবা থাই। সুনিংসংনা মতমদা মিশর লৈবাক্কী অচৌবা বন্দর (অলেকজন) অলেকজেন্দ্রিয়াগী কঙ্কত্তু উবদা লোবাস্বেরনরগী সিংথিবা পুমনক কাখে।

চিংথক্তা লোম্নান পাবং পাল্লেং লেংবনা লেংবদা সিংখন তাশিথ্রবা, জাহাজ লৈপে মইপনা থাংদিনা লেংবনা তবেইবা নাংদ্রিবা, গাডি মথল মখল চেলিব, পুরিং হুনবগী মশকনি ✓

ইটালি লৈবা মতাং।

আলেকজেন্দ্রিয়াদগী য়াম্নাকি মার্শেল বার লৈলনবা যাত্রা তৌদকনে। জহাজ অমদা তেংন্দুনা হুমদ, সাগরগী ইথাই তাদনলে। জহাজ অসিগী মনিং মনাক,

তোপ মচাক হাল্লগা যেকনবা লানথৌনা খংহৌদনা লাকপদা কাপননবা ওইরুনা দৈ। মোরা সিপাইনস্তু নোংমৈ মচাক হান্দুনা, জাহাজগী মপাক্কি তাকাইবগা অহিং মুংশিল শাত্রি তৌই। শাত্রি পুম্নমক অসি ঈশিং মনুংদা যেক্লবা লাকপ্রা হাইত্রগা অহিং মুংশিন নাইবনা ভাক শেল্লি। মণিপুরগী কুলি যাওবা তোংশিবা জাহাজ অতগী বেংলোম ওইবোদদা শাত্রি জাহাজ অসিনা চপই। অসি অসিসি পিকই মনিংদি ভিক্টোরিয়ার বৌই, য়াম্না য়াংই। মকন অসিসা লাইফবেল্ট থাদোক্লবদি মী অমমনদা, মুপা ৫।৫ জবিনা তৌই। অহুমনা মুনিং কমনি ভূমধ্য সাগর চৎলকপদগী, যেদবা জর্মনা ওংশিল্লকবদা টোপ অমত্তুং নোংমৈনা নোং চুবগুম কাপথখিবা ধ্বনি হড়ু ভাবদা নাকোং যৈসিন্নরবগে। মুটিশকি মথৌনা অমত্তুং পোন্নাং হত উবনা যেকশবা তান্না চলকপা ওরে।

অতুদগী নোং হান্না যেকবা হনুকত্ত লাকপা ঊরুনা নী পুম্নমক শিপাইনরে। মার্শেল রোনদা চৎপা হুদোং চারবোই হাবদুনা ইটালি লৈপাক্কি সিশিলি দ্বীপ ময়া শনক্লদুনা টুরেন্ট কৌবা বন্দর অমগী মথাদা জাহাজ থাংরে। বন্দর অসি যৌবদা, ইটালি লৈবাক্কি ওচৌবা অফিসর অমত্তুং ডাক্তরশিং লাক্লুনা জাহাজ শী যেংলৈ অতগা হ্না ওইংরৈ। অফিসার অদুগী হুকুম ফংলবদি জাহাজ থাংবা য়াদে।

হুকুম ফংলহনা লৈরম্বই নত্রা যৌবকপা। ইটালিগী লুপী লিপা মযামনা ক্যাম্প হইহনা অমসুং কনাগুম্বনা টুপি লৌথোক্লুবা, কংফাদা ওইরাই। মহাক্না হাও চনাবা শরা য়াম্বই হাপ্না মুঠিং হুমনিদি ঈশিংদা পল্লমগা অহদগী কংফাম করে। টুরণ্ট বন্দরগী নিংথিবা নথাম অহু উবদা, আনেকচন্দ্রিবাগী ফজবা খিবিক্ত হমুক পুনকাও কাওরে।

টুরণ্ট বন্দর অসিগী মথা মথাদা, জাপান জাহাজ মথাম থাংখিব্রা, চেস্কপেডো মথাম জাহাজদা হাপত্না লৈরম্মীবা, এরোপ্লেন, সিপ্লেন অমসুং বেলুন্না পাইখিব্রা অড়কপা পোক্ই। অমসুং য়েংবদা পুকনিং চনবগী মশকনি। মতম অমদা পৃথিবী পুম্নমক অসিগী কোক ওইরম্বা রোগ হাব্রা অাক্তি অহুগী লৈবাক ইটালি লৈবাক যৌরকপবদ, অত্রা অনা কাওহ্না অনৌবা মাবন অনা নাদ্রে। লন অতগী নীশিং অহ মশক য়ামনা থক্রে। চুপী-ংদি শক মনম্না লৌই, বুক বুমেনস যাম্না লুই। চুংশিং নুংশাঙ্গ পিপুবগী হত্রা অনিগুম্বা যামনা চুংঙাই। মথুম নাইদ্রিবী চুপী অবাম্বদি লৈত্ত লৈশাবীগী মতৌগুম্না নশম অত্রখুদোম মরিবোম পাক্না শাই নকই। মত উবদা লৈত্তেগী (মথুম নাইদ্রিবী) চুপীনা লৈশারিবা পথাপ অসি মৈত্তেদগী অথোইবা তম্ব্রা মথোইদগী মৈত্তেনা তম্ব্রা হাদবা বাথন অসি চপনবন থংদে।

মণিপুরদা চাকা শমকক হাযরিবসি, ইউরোপত্তা উবা সাহেব পুন্নমকস্থ শমকক অসি চৎনৈ। মরুম অসিনা চাকা শমকক হাযদনা সাহেব শমকক হাযরবদি নাত্তে চাগনি খরে। ট্রিন্ট বন্দর অসিদা লৈবা মী কাংবু অমগী অহাং অমস্তুং অচম্বা, সনক্রগী ঈশিং তথেন্নবদা বুমথুনা, ঈশিং মন্নুংদগী ভিক্টোরিকবুম্বা জীব জাৎ অমা ফাবদগা হিংনা চাই। মদু উরগা মণিপুরগী কনা-গুম্বা নীন্না খঙ্গি তত্তেবপা চাবা নিংশিংনকই অমসুং য়াম্না হঙ্গোইবা পোকই।

অসুম্বা মকুম অসিদা মুগিৎ হুমনি পোথারগা, ট্রিন্ট বন্দরগী নোংপোক থংবা আড্রিয়াতিক সাগরগী উপকুল (নৈরাই) মথাংদা নপ্তুনা রেল তোংদুনা চৎলকলে। নিংথি নিংথিবা বন্দর অমসুং সহর মরাম লাম্বোরক্লে। অচৌবা সহর অমদা মীবাম অহুমুগিৎ হুমনি পেথাই। মহাক্ত গ্রীসকী মনুনিবা লান চৎকনি হায়দুনা গোরা পল্টন অমা লৈরম্মী। থেৎই অহনা যাম্না ইকাই লমখুমনা লাপথুরবা ইণ্ডিয়াদগী এপোই খিবিদ্বী লান পাংবিগনি হায়রম্না লাকপিবসি যাম্না নুংঙাইজরে হাদ-ত্না মর্যাদা তৌবমই। চুকপনচিংবা থুদোল পোৎ য়াম্না পিরৈ। সহর অসিদা লৈরম্বা ইটালিগী লানমি টুপ শাবী কাংবু অননা, ভা অমদুং ফিরাল পাইত্তু কাংকৈদুং অমদা শগোল তৌই, যেংবদা য়াম্না নিংথিরে

খোইনা ভোংবা শগোল অদুগ নিংখিবদি তাইব-
ানবগী মফম চৈতেদা হৈরিরোই নিংই। অদুদা মুনিং
মনি লৈবদা, লম অদুগী মুপী নহানচিংবা পুম্নমক,
পাকটবা মীশিং চদুবু চুপ্নে ওইনা যেংনৈ মশান কক্রবা
কনাগুম্বা মণিপুরগী হাওবু উবগা, লৈবাক অদুগী মীনা
মুপীনি হায়রম্বস্থ য়াওই। হৈ-রানাচিংবা গোৎ পুম্ন-
মকস্থ য়াম্না য়েন্নে লৈবাক অনিদা উপাল জাংজাং
য়াম্না হৌই ভোইগুম্বসুং বা, উ অমসুং লফুদি উয়ক্লে।

রেল ষ্টেশন খুদিংদা অচা-অথক পুম্নমক অতৈগ্না
লৈতনা পৈরম্মি। মফম খুদিংদা মুপীনা কুল পায়হনা
সম্মি তৌরম্বস্থ য়াওই। মখোই অদু য়াম্না কন-হৈবা, লান্দা
থৌবা নিপাশিংগী মুপী ওইবদা মতিক চানা উই।
টচালিনী লৈশাবী অমসুং পোনহাশিংনা মখুৎতা কক্ক-
যত্তরবা শউলগী থাও (বেক) পাঙ্গৈনা রেল ষ্টেশন খুদিংদা
শসু শসু ওইনা চৌকিদা ফমডুনা হয়া চাবা উই অমসুং
ফিজেং অক তফবা শেৎতুনা শক ফজবশিংহনা লমম্বা
চৎপদি যেংবদা পুকনিং ছনবগী মশকনি। মখোইগী
লম অদুস্থ লৌ থাওনবগী থুৎলং চৎনৈ। মণিপুরগুম্বা
মুপী নিপা ময়াম তিম্নডনা লৌগী থবক তৌনৈ। মকম
অদুদদি চেং হবাইনচিংবা হৌবা উদে, গেহু অমসুং
অঙ্গুরনা অপোযবা অচাপোংনি। থাপথ্রবা লম অদুদা,
ভারতবর্ষগী চিঙ্গাক পুমন ক সরকারনা পৈহনা থব্দীরম্বদু

উবদা অভকপা পোকই, মতৌ অদুম্না চংলকপসিনা সুমিং ৭নি শুরক্রবদা ফ্রান্সগ ইটালিগা সোহবা অতগী মরক্তা লৈব। অাম্নম্ পর্বিতকি চিংশাং নাপোন হাব-থরকপা চিংমুংহং (শুক, পাওয়া) মাইল ১৩। শাংবা অমা কাওদোকক্তুনা থ্রাম লৈবাক যৌরে।

মক্কম অসিদা রেল বদলি তৌদুনা, ফ্রান্সী বেলদা তোংখংলে। চিং অসি যৌরকপদা যাদনা নিংথনরে। চিংখক্তা উমনা ফীড়ো ফৌনগুর উরক্কে। থর চংলগা রেল স্টেশন অমদা, ফ্রান্সী পটন মথান্না নিংথি নিংথি-রবা ফিজেং শেংদুনা মথুক্তা পুংথাই পাইগা রেল তোংখংলম্বা রেল অমদা লৈ পারং পারং অমতং মথা মরেং থাওনা লৈ চবুম চুমবা থাদবা বরাই শোংলকপা অহৌগী নংবোইগী পুপী মগারা লেংনা তৌরবা অত্রপু-ননক উবদা পুকনিং হুনবগী নপক ওই।

মাগী হাগ্গামস কুর্ন্ন ওইনা নিংহজি, মী পুগাক শিগা হাবগী অকিবা লৈহদে। অদৈ শিক নাতু নিংব শোকই। অমোদদা মীগী পুকনিংদা অকাবা থাম্মা লাকই।

মখোই অতা ইণ্ডিয়াগী মী উবা, গাড়িগী তুশাংদুনা, অতাবা লৌই লাগে, চুটোরিংগী শুদাব পোংথ পি। অদুগা লাকপা সুমিং হানিদা, ফ্রান্সগী মার্সেল বন্দর যৌরে, মার্সেলা বন্দরগী নিংথিবা উআ

লমী অদু চৎলকপগী অম্বাবা পুম্নমক নিংশিংনয়েগা, মন্ত্রনা শুক্নাৎপশুম মুংবংনদুনা লৈনরে, য়েংবদা মী পুম্নমক মিৎ থুপনগ্রে। লীনগী মথেক শাব্রবা সনক্রুগী লৈয়াই ওযাদা মুংনা ইঙ্গি, শিৎলম্বা ওথক্কি অবাংবা লমদা খোইনা খোইনা লেংশিনবা কিলা অদুগী ননশোন চিংশাং অনেম্বা অনদা রেল, ট্রাম, টম-টমনা অতৎপা লৈতনা চেল্লিবা, মীনা ক্রক ক্রক ইম্ননা চৎলিব, সমক্রু মযাদগী মাইল ৬।৭ ফাওবহ মশাং ওইনা বন্দরগী নিংথি নিংথিবা দলান পুমনমকনা লেংশিনবা মরক মরক্তা হৈপাল লৈপালনা বন ওইনা শেমশিনব, মরক মরক্তা কৈথে। খল্লিবা য়েংথি য়েংথিবনা নিংফম হোংনিংদে।

মার্শেলদগী আরস যৌরা মতাং।

মার্শেল যৌরগা, মণিপুরগী কুলি পুমনমকপু, মাগী মাগী খোংগ্রাও, ফুরিং, কম্বলচিংবা পুমনমক পিরে। হেড ম্যান অমসুং এসিস্টেন্ট হেড ম্যানবু সুবাদার অমসুং জামাদ্দার হাপলে। অমুমনা ফম থরনি তম্বোকতুনা, মাওগী কুলি নবান্নু নং ৩১ শুবা মণিপুর লেবর বোস হাইনা ওঙ্খাকলে। সুপারভাইজর স্টিফেন সাহেববা লোইননা খোংজাই ৩০০দি মার্শেলদা লৈহৌরে। মার্শেল বন্দব হাযবসি ফ্রান্সগী মনুংদা ক্লোনফম তাম্নেবা অমনি। বন্দর অসি ভূমধ্য সাগরগী মপান্দা, ফ্রান্স লৈপাক্কি মথা লৈরম পাংনা লৈ। মার্শেলদা

পৃমিং ৬ বি লৈরগা, মাওগী হাও কোম্পানি অসি রেল গাড়ি তোংদুনা অরস সহর পাংনা চৎলম্লে। সহর তোংবা মাইল ১০০.১৫০ রোম ৱাৎলিইবা এলবার্ট কৌবা মফম অদুদগী হৌনা ফর্মনা কাপখাই-খিবা, রেল ষ্টেসন, দোলান অমসুং থুমচিংবা উরক্লে। চ ওর চাওরবা উপান্দা তোপনা কাপথেকখিদুনা মরাই-খিগাংদা তেকলবা, মসুং হোড়ুনা লৈরবা, মপাল মরা যুকলবা ; রেল লম্বীগী নাকয়েত্তা অচৌ অচৌবা উমংনা ৱন, তোপ অমসুং নোংমৈগী লেপকং লেপকং কংলবা, অরাথা মরম মফমদা মোংফম মরাম উরকপা, "ট্রেঞ্চ" (লাংখোং) মরাম্না লমতুপ লমতুপ লেরবা লম্বীগী থেৎথংবা তৌবুক লমহাং অমসুং মতুরদা বৃটিশ সিপাহি অরাবা গাড়ি, পুগোল, অমসুং থুংকু থুংলাইগা লোইননা থেন্দুনা থেন্দুনা লৈরবা, অতিযাদা বেলুন পরেং পরেংনা তেকবা শক্তি তৌরবা বেলুনদগী মথক মথক্তা এরোপ্লেনা কোইপাই পাইরবা, লম্বীগী থোইথংবদা মটর, লোড়ি, হওাগাডি অমসুং হসপতাল গাড়িনা, শোকপনবা মী পুগোলবপা পুম্নমক অদু উরবদা, মৈতৈ মচা পুম্নমক অমগা অমগা চিংলোকনৈ ; করি থোর-রগবা হাইনা মী পুমনমক মীপাইনৈ অসুমনা লাকপনা জুনগী তারিখ ১৬ কি সুংখিদ পুং ৫ তাবদা, অমা সহর তোরে। অরস হাইবসি ফ্রান্সগী ভবাং লোংচুথ লেবা অচৌবা সহর অমনি।

মফম অসি অহুমশুবা আর্মি এরিয়া (লানমী হৈফম) নি আরসতগী অৱাং নোংচুপ পাংনা কালে অমমুং ইংপ্রেস হাইবা লম অদু, মাইল ৩৭ লোম লাপ্পা লৈ। ফম অদুদা অহিংদা লান কাপনরকপনি। তোপকী মৈ চাংনা নিংথিনা উবা ফংই।

ঐখোইনা থু লুবা স্টেশন অদুদি জর্মনা কাপখাইখিদুনা তুমলমলে। মফম অদুদা মণিপুরগী বুলি পুম্নমক হাথু হাথু চাক থোংদুনা চাবিডৈ মতম অদুমক্তদা ঐখোইগী ইথক মপা মাইল (১/২) মখাইগী মালে ৱাংনা বৃটিশকি এরোপ্লেন মধা গা জর্মন এরোপ্লেন ময়ামগা ভাভিযাদা লান তৌই, মদু অশেং অশেংনা উরে। মী পুম্নমক মিপাইদুনা চাগনি থকনি হাইবা নিংনম্রে। বম অমদুং তোপকি মখোয়না নাকোং যৈশিল্লি। মখোইগী লান অদু অকিবা মশকনি, অমুম্না পুং অনিরোম কাপনরবগা জর্মনী এরেপ্লেনশু চোথে, অদুগা বৃটিশকি এরেপ্লেনশু মফম মফমদা হডিনখে।

সন্ধ্যা যাচংবা মতামদদি মখা অদুদা হৈরম্বা বৃটিশ অফিসর অমা লাকদুনা মফম অসিদা লুইনা লৈবা য়াদে, থুনা চথোকলো হাইদুনা খোই অমদুং চাক থোংনরবা নৈ পুম্নমক অত্তুম থোইনা মুথংলে। পোং চৈ পুম্নাক মটর নোংডিনা হপুনা আরম সহরগী নোংচুপ্পা মাইল ৯ চংলগা 'হেটবিন' কৌবা খুনগী

ময়া, জর্ম্মন প্রিজনার ক্যাম্প তাম্না পুখ্রে। মফা অসিদা জর্ম্মন বন্দি নৈরম্মী হাই। মীয়াম অহুমা চাবা থকপা লোইরবদা লম্বী চিংনবা গোড়া সিপাহী অমা লাকই। গোড়া অদুনা লম্বী চিংহনা কুনি পুম্নাক ফনিন তৌহরগা কেপ্টেন স্কৌফ সাহেবনা মাং থাদুনা আরস সহরগী মাইবোনদা অহিং পুং ৮ তাবা কান্দা য়াম্না থুনা চংলকে। অদুম্না চংপসি আরস সহর মনুংদদা পুং অমা থর হেন্না চংলে। অদুনমি সহর মনুংদা চংপা লম্বীদু মাইগ ওং রোম শাংগন্না নিংই। অহিং অদু থবাদু থর ফে। সহর অসি লানবদা দোলান অমা অচৌবা, লম্পা মরি মডা শুবা অং ভক্তা উই। অদুগ যাম্না দোলান পুম্নমক অহ অফবা অমত্ত য়াওরে। জর্ম্মা কাপথাইখ্রে হাইদুনা থাইরোক কাইবা, পুক্তেই তেম্বা, মতেন তেদপা অসিগুম্বা ভাক্তা ভাই। মরক মরক্তা দোলান অকাইবা অতোপ্পী মনুংদা বৃটিশকি শক্তি গোড় সিপাহী লেপম্মী; মখোই অহুনা লবী ত কই। দোলান মনুংদা তম্দন মুক্তা চাওবা থাওই আসমগা থাম্লি। আরস সহরগী মতৌ উম্বগা; বাবু পুরান্দা পদ্মনাভ নিংথৌগী মত্রিনা অবাং মাইগৈ চংপনা হিংচাবীনা খুনভাকহনখিবা কোমুং থেনকপা বরিদু নিংশিংই। পুক্সিদা যাম্না নুংশিবা অনম্বং অকিবা পোকই।

(ফ্রান্সকি মতো উংপা)

ফ্রান্সতা মৈতৈ বুনিনা লৈবসি খৃঃ ১৯১৭ কী লাই তারিখ ১৬ তা খৃঃ ১৯১৮ গী মে থাগী তারিখ ৯ াওবা নৈ। ফ্রান্সকি মখ'থংবা মার্সেল বন্দরদগী চব্রাং থংবা সমুদ্র মপান্দা লৈবা অরস সহর ফাওবা ঙৎ হন্দা চৎতুনা থবক সুই। লানফা মসুং নক্তদদি পুশিন্দে হাইবর তৌনরিবা ইরাং অয়াম্বদি উবা ফংই। গী যীভরা হায়না ইজরি।

ফ্রান্স হাইবা লৈপাক অসি নিংথৌ পান্দে, অমনা দ্রাইগী মকোক ওইদুনা অসিনবা নাইনা সাং ব্রপ চ চৎলি। লৈবাক অসি য়াম্না ফজবা হব্রা নবা অমসুং থাম্র নিংথৌবা দেশ অমনি। মফা অসিবা না কুপ্পা খুনদি খক লৈতে, চোক অমসুং খুংগী দোলান ঙাকনি। ইনাকখুনবা মীদি দোলান মথোল রি মচা শবা নৈ। লাইরবদি দোলান মথোল ২ দা নৈ। ঙ্গিসনা কুপ্পা য়ুমদি লৈতে। অদুগা লব্রাইগী খুন্দি পুরপ পুরপ তাই। করিগুম্বা মফাদা ন অমা অনিতা তবমু বাওই। লৈপাক অসি লৈঙ্গেম থক মাংনে, অদুগা অকুংপা লাদা খুন অমসুং সহর লৈ মফাহদি অকোকপনা য়ামী। করিগুম্বা উ হৌরবমু মথু পবেং পবেং নাইনা নিংথিনা হৌই।

মা লুপা দি থোক্তে হায়বু, তৌইগুম্বগুং থোং অমত্তুং কনোদি যাম্না ফংই। অদুনা হন্দক্কি লান ত.সিদা মখোইগী করিগ্নু অৱাংপা লৈতে। উমং অচৌবা য়াম্না লৈবা মরমনা শিংত্তু ৱাংপা লৈতে। লৈপাক অসিগী মীদি হুরান চিঙ্থি তৌদে। অঙাংদগী অহল ফাওবা লমচৎ ব্যবহার য়াম্না ফজে। খোই চোগ্তুনা ঙা ফাবদি মখোইগী লৈপাক্কি মী অসিনা য়াম্না য়াম্মী।

ওনাংখোগী মমৈ ওইনা থুংলুবা অহুমক্তুম নিংথগ্নি। অহিং তুম্বদা ফম্বল মরি মডা শুপই। মতুংদা লৈবা মীশিং অদুগীদি নিংথম্বা অদুনা করিগ্নু অৱাবা লৈতে। নিংথমথা ফাওবা লম অদুগী নুপী অঙাংদি যুম্বিং অপাবা অমা লিংলগা থবক অতা মশুই, শান্ন কুনৈত্তু অহুম্মক থোকই। নুপী নহানচিংবা থোংদোক্না ফজবদি উদে, অদুনদি ওইরগা কুকে অমৌ ফিক্কেৎ লৈতেদা অদুপকি মতিক হৈ শিংই, মত্র থেংবদা নাইবেম্বীগুণ উহনবা ঙনই।

অদুগা নিপা মশক য়ামনা ফজে। লুহোংবদি প্রজা পৈত্য ঙাক্না ওইনা উই, চেন চোংবা কথা য়াওদে হায়নৈ।

ওনাংবা লমদগী চংপা মীয়ামদি নিংথম্বনা ফুম্বিং মরোল তরুক অরেৎ লোম্নগা চংথোকনৈ। ডিসেম্বরগী তারিখ ১৬ রুগী এপ্রিলগী তারিখ ৬। ৭ ফাওবা অসি

উপ্ তাই। অদুগা ডিসেম্বরগী তারিখ ১৬ দা হাবা উল নহুনা জানুয়ারীগী তারিখ ৪।৫ ফাওবা লোং তারবদুর ঙল অদু হাকপা ওনদে।

উল অদু সডক মথক্তা ইঞ্চি ৭।৮ থাংনা ফুনজিল্লি নত্তে লোং তারগা ঈশিং ওদুনা চুপশিনখি অমসুং শকুম্পা লেমদা লেংখি।

লোংসু মরি মহাকনিগী মথক্তা তংতনা লাই। অমা ফাওবা লোং হাংদবসু য়াওই। লম্বী অচৌবদি মুংলারগা মথক্তা কোলাম তৈ। অতৈ লম্বীদ কাংক্রিট কজনা থাই। মার্শেলসী উল তাবা অদু খরা খরদগী শারকনে। অদুক থা খরদি উল তাদে। খুল অমদগী খুল অগা ফাওবা লম্বী সডক কাডু-কারেশ নিংথিনা মহৌশাগী লৈবা উই।

লানগীদমক অনৌবা লম্বীসু লৈ। অদুগা ইংখোল অমগা ইংখোল অমগা নিংথিনা ফাওনৈ লম অদুগী লৈপাক য়াম্না লৈহাও কাই; মনা মশিং, আলুনচিংবসু যাম্না হোই; তৌইগুমবসুং অসোমদগী মীনা চাকরবদি মদু ইচম চমই।

মফম অসিদা দ্রাক্ষা, বীট, হিদাকমনা, জাইফল, চুগচাক অমসুং কমলা-উনথাবীসু ফংই। ভূমধ্য সাগরগী মথা ময়াদদি যৌ অমসুং থাংতুপ পাম্বী উবা ফংই। ফ্রান্সকি মফম অয়াম্বদা বীট অসি যাম্না থানৈ। বীট শুংলগা চিনি অকেংবা শেনই। অদুগা লৈবক অসিনা

মন্দু মন্দির য়াম্না লৈ। মন্দির অদুদা গুংগী মূর্তি অক অকবা য়াম্না ফজবী অমসুং কৈথেলগী অফবসু য়াম্না থেংনি। নোংমাইচিং চুমিং অদুগা অইঙা সুংগী অদুনা পুংগী পুপ য়াম্না মাই খুম্বই।

ইম্ফাল হায়বা লম অসি য়াম্না লৈফুং লৈমায়োং লৈ। লৈমায় থক সাহে। মুট ৪। ৫ লোনবি লৈরোই লম ওইনা ঙ্গীরকই, অদুগী মথা ঙাপুখ্রিদি অচৌবা ই পক চাক্কা কাই। লমদি ইন্দ্রগীনা ভাইদি ফায়বনু লৈপাক মহুপ পোবা ময়াম্না লেপ্পা নুপশনবদি। শোংখোংনা চিংদ হৌবদা লৈখোম লোকতুনা য়াম্বা থক চৌদে।

করিগুম্বা মফমদা খডিনাট অনি মপান লোক্লা উবা ফংই। মফম অদুদা হোৌবা উদি উং পাদ্মিগুম্বা চাক্লা উই।

উমং নম্বনা অইঙা হৌবা উ অমো মীনা থাবা চাকনি, পরেং পরেং ওইনা হৌই, অমত্তা কাইদে। মফম অদুদা লৈবা চিং খোইদোকনা থাংবা উদে, চিংদগী অমপাকপু অচৌ অচৌবা উমং লৈবা উই, উমংদা অমসুং লৌবুক্তা থেবা য়াম্না লৈ। মণিপুরগী হাওনা মহু আমদুনা কায়গা চাই।

৬ মালা লৈবাক লসিদা থপ, থপবী য়াম্না অকবা লৈ শক্তোম য়াম্না কুই। থপবী অবসনবা শক্তোম লেম ১০।১২ কাওবা ওবা য়াওই, মুপীশিংনা শক্তোম ওমই, লোম

ৎনা মঙা পি। লম অসিদা ইরোইদি ৈরে, খগোনহ্ন ৎকবা উদে।

চিংদি খড়িমাটিনা পুমচো ভোবস্ন লৈ। অচৌবা অদুগী ময়ক্তা গোপী চন্দনগুম্বা লৈঙাংগী অাৎম্ন লৈবা য়াওই। ৎচৌ অচৌবা মুং লৈবা চিংম্ন উই। লৈবাক অসিগী অশোইবা চিঙাঙী মক হুনবদি বীট (হস্সাম মুল্য মানবী) অমস্থং গেহুত্তনি। ইণ্ডিযানা হেবগুম্বা নাপিংনিংবী য়াম্বা হোই, অহুদা ভিনযা, কাবফে, কাং, মা, তুমিং নিংচিংবদি খক হেংনদে অমস্থং লৈতে হায।

পেকক, যেনশিন, ই, নিংং, ৎযু, টেলৌ, থৈবোং, টৌ, হানচিংবদি হোঁদে। ৈইরাদি— ঈইনুপকী অাৎ খরদি য়াম্বা মবাং কাইনা ফংই। য়াইরি গচা অমগী মমলদি ম্বাঙ ৫ সেন্টিখিস ২৫ পি, মসি ইণ্ডিয়াগী লুপা চাউ পাইগা মান্নৈ। কোবী অমদা লুপা ২১০/৫২স্না পিনৈ। পেংবাগী অাৎ ৬া মথল অমা মনিং নামত্তা মপাল্লি, মনিং নামদি লৈ হায়বা খংদে, নাকন অমনা মুই, অতুগা নাকন অমনা চোই। অমুবা নাকন অদোমদা মনিং নামা অড পাল্লি। মসি ঈশিংদা চৎপা মত্তমদা অমুবা নাকন অতুনা মথক থংনা চেপনা চৎলি। ভানচিংবসি খল ওল্লগা মুপীনা কৈথেল অমস্থং দোকান্দা যোল্লি।

লৌ উবদি মরৈগী লাঙ্গোল্লা ফুট অমরোম মুনা লৈপাক থোই; লাঙ্গোল অদু শগোল অদা নম্ভগা অনিনা

ওন্নরবস্ৰ ি ই। লৌ শোইবদি— নিপা পুমনমক লান চংখিবা মরম্না মুপী অমসুং হনুবশিংনা থোই। মুপী ৪।৫ গী মরক্তা হনুবা অমা অনি যাওনা খোইরব্ৰ যাওই। লৌ পাওবদি শগোনদা নাপি ককনবা কোন অদুগুম্বা উপু অমা পানশিন্নগা মাইনা থাওহনা, খুদাপ ২ মপুল ২ পুঙ্গা পাদরম্মী, মসি মীনা পুনবা নত্তে। থোং-গ্ৰ হোংইনা লেী থোই মখোইগী লম অসি লৌ-ুক্তা লৌরি শাবে। অমুক মুংখিল নাইদনা মুপীশিংনা লৌগী থবক অসিদা লোম্বা উই। লৌ যৈবদি ইঙ্গিল্লা যৈ।

ফ্রান্সগী লোল অসি মথে-ইন, ভাংবদা অ-রগী য়ামনা নৌই। ইংরেজি লোনগা তিনদে।

মণিপুরী লোল ————— ফ্রান্স লোল অমা অনি
পিনবিজু ... ... ডোনে।
কুরমনা পাইবগে . . কলোন তালেবো
লৌফানবিহুনা . - .. .. . শিবৌপ্লে।
অফিসর .. .. . অফেসিয়াব।
য়াম্না .. .. বুকু।
মুরুম্বা ... . বোনশূব্র
খ্রোবিরে .... নাপু।
খংলব্রা ? ... ... কোমপ্রি অসিনুচিংবা

মখুম নাইদ্রিবী মুপীশিংনা মগা মপা নত্রগা মবুং মপুরংগী অসুমারিবু মডকশমদা শনা লুপাগী অকমুল-ওইনা

।ঙ্গা শি। মযুম নাইরবীশিংদি মপুরোইবগী তসবির লকশমদা শি। লম্বী লমখাংদা নুপী নিপা ওক্লবদা, গী বাড়ী সম্বন্ধ বোইরবদি, নিপাহুনা নুপী অদুবু এখোইনা অভাং মচাশিংবু মখজাইদা চুপ্পগুন চুপই। নুপী অহুনস্থ ওনশিন ওনশিন্দুনা থাই। মসি পার্থং লৈশাবী অমস্থং হনুবা হনুবী ফাওবা চংলৈ। মড় উবগা লৈতৈগী হাওশিংনা খুবাক খুহুনা থা থা লাওনা নোকই।

মখোইগী লমগী হুই অদ্ এখোইগী হুই অমুক্তা মচাওই। হুই অড় গাড়ী চিংনবস্থ থাওই। হুই অনিনা চিংবা গাড়ীদা মী অনি তোংই অহুগা নিংথিনস্থ চিংবা ভমই।

নিপাস্থ নুপীস্থ নাইরিক ইহৈ হৈ। নুপী শেক ফজবীশিংগী কচুদি লবু লৈযোল মচ ম.ল্লি। থাওদি হুইবু শেনহল্লি। য়াও শেনবা নিপা অহুদি উখাদা তুমহুনা লৈ, হুইশিংহুনা থাও মদান অড় অমত্তা চোই-থোকহন্দে। থাও মবান অদ্ চোইনা ২ চংখ্রবস্থ হুইশিং অহুনা অমুক পুনশিনহনগা মপুগা ন ভা লাকভুনা কুল্লে। মড় উবদা নপু খনবগী হৌদম তম্লিংভাই ওই। ফ্রান্সগী মীদি, মতৌ মনাও নানজাওনা চংথোরব্রবদি লোংগোমনা অমস্থং মখুংকা মখুংকা থেংনহুনা চংমিল্লে।

নুপী কনা কনাগুম্বদি য়াম্না হে শিংই। বৃটিশ সিপাহি শিংনা লৈরিবা ক্যাম্প খুদিংদা চংতুনা চুকটনচিংবা অচৌ পোৎ যাম্না যোৎখে।

হন্দক্কি লাল অসিদা বৃটিশনা ফ্রান্সবু পাংবীরি মহাভাবতকী লানগুম্বা মাগী ২ পংথৈ নাইনা পুরি। অহ ফ্রান্স গবর্ণমেণ্টনা শাগী প্রজা পুম্নমক্কা হুকম তৌদ্রিং মনাংইদা হংহনখি। মতুদি—বৃটিশকি মীনা ফ্রান্সকি কন্ট্রিব্যুশন অমা, খুন অমা অমসুং দোলান অমা লাইরিক মরুপদা কান্নগনবনি হায়রবদি মফম অদু লেপ্পনক থাদোক্নদবনি অমসুং মহুৎশী মমল মপুনা বৃটিশতগী তৌগদবনি। মর অসিনা বৃটিশকি ফ্রণ্ট ওইবা মফম পুম্নমক্কা গোড়া সিপাই, অমসুং অফিসারশিংনা, জর্মনকী নয়ুংদা চংতুনা লৈবক যাওই। মচা মহা লাল চংখিবা মবম্না মখুন চেনবা ডক্তরনা গোড়াশিং অতগা তিন্নবা যুম অমদা লৈবক যাওই। ফ্রান্সগী নুপী নহাশিং অহুনা বৃটিশকি লান্মীশিং, অতবু মচা মহাদা তৌবগুম নিংথিনা সেবা তৌবা। লানচেনবা নংহৌদবশিং অহুদি জর্মনগী লোইং ওইতুনা অতনক মরৈখি।

ফ্রান্স লৈবাক্তা তুরেল অচৌবা অমসুং অপিকপ য়াম্না লৈ।

খুন খুদিংদা অমসুং সহরদা স্কুল শংস্থ যাম্না লৈ। মতমদা নুপী লৈশাবী, হওাং নিপামচা অমসুং নুপীমচাশিংনা লাইরিক তমই।

লৈশাবী অচৌ অচৌবীশিংনা ৈতৈ লৈশাবীগুম্ন মশাই ককই। কৈগেল মুন্দিতো শংগু শংগু ওইনা কৈথেল কাই। নিপা মুপী, পাখং লৈশাবী থাক্তনা পোৎ লৈ, অমসুং যোল্লি কনা অমনা চৌবিদা ফমদুনা কুমৈ য়েংই

অচৌ অচৌবা উমং অফ অফবা লৈগী বন ফজ ফজনা চিগেক কোচিন নাইনা মহৌশাগী শেমদুনা লৈবা থামনা উই।

উমং অমসুং লৈগী বন মগুংদা নিপা মুপী তিন্নদুনা অযুক্তা অমসুং মুনীদাংদা হয়া টাই অদুগা চৌকিদা ফমদুনা বগ (ব্রারি ব্রাজাই) ভৌনৈ। অমিগুম্বা মুংভাইবা খরা অনি উফুরগা স্বর্ণমী অমবাপুর হাইবা অদু অহুম তৌরিংদবোই নিংই। গ্রান্দ হাইবা লৈবাক অমিমক্তবু য়েংউ য়েংউবদা মীৎ পেন্নবগী মশকনি। ফ্রান্স হাইবা লৈবাক অসিদা কৈথেল অমসুং মহাজনী দোকান অচৌ অচৌবসু থামনা লৈ। দোকান মযাম অদুদা শামতু রেশমগী ফি, অফবা ঘড়ি, থাও মনম মুংশিবা, খোংউপ আসিনচিংবা অফ অফবা পোৎসু থামনা য়েল্লি। অদুগা দোকান্দা যোল্লিবা পোৎশিং অদুগী মমল অহুক খোকই হাইবা অদু ইদুনা পোৎ অদুগী মথক্তা টিকেট নপতুনা থনই, অচৌ অচৌবা মঙ্গলদা দোলান নপোল ৫।৬ শুরবা ভাক্তনা পরেং পরেং ...না লেংখিবা, গলি গলি নাইনা লৈ পরেং লেংবগুম ...লান মযাম চপ চপ নানা, ...নগী মথেক ...না ...খিব... য়েংবদা অচকপগী মশকনি। ...লোং ৫।৮ না

তিনকন অহুদি লৌ শংস্মুক চাওনা হাংনা লৈ। অদুগুম্বা মফম অদুদা নুপী নিপা মযান লৈরম্লে কাদুনা পোৎ লৈনৈ। মখোইগী লৈবাক্কী পোৎ য়োনবীশিং অদুদি মাগী মাগা যোনফম অদুদা মেজ থাদুনা মেজ অদুগী মথক্তা ফীদা অফবা থাবগা যোনগদবা পোৎ চৈ পুম্নমক অদু পরেং ২ নাইনা থারগা যোল্লি। অযোনবা নুপীশিং অদুস্তু কি অফ অফবা শেৎতুনা বাম্না কেনা নৌনা চৌক্লিদা ফমই। মখোইনা যোল্লিবা পোৎ মযোন অদুদা লৈনিংঙোইদবা মীনি বাম্না তাংই।

ফ্রান্সগী নুপীশিংনা লমজাও চৎলবদি ফিগী ছাটিন তুপই। অদুগা বৃটিশ নুপীদি ব্রাটার প্রুফ অমস্তুং চৈ পাইদুনা চৎলি। হন্দক ফ্রান্স চৎলুবা ইণ্ডিয়াগী মীশিং অসিনা লৈরম্লে কাগে হায়রবদি মাগী মাগী অফিসার কমাণ্ডিংদগী পাশ লৌরগা লৈরম্লে কাই। অদুগা লম থাপ্না চংকদবা লৈরবদি মহুগীদমক অতোপ্পা পাশ অমা ফংই।

ফ্রান্সগী কোনুং পারিসগী অবাং নোংচুপতা বোংযেল হাইবা সহর অচৌবা অমা লৈ। অদুক ফজবা সহরদি পৃথিবীগী মনুংদা কয়া যামইবোই হাইনা নিংই বোম্বে, কলিকাতা, স্বেজ, আলেকজান্দ্রিয়া, টোরন্ট অমস্তুং মার্শেল অসিনচিংবা সহর পুম্নমক অসিদগী রোংযেন্না ফজবা য়াম্না

হেল্লি। রেলেল তুরেলগী পাল লেহলোম ওইরোম্দা, দোলাল পরেং পবেংনা চিং তচৌবা লৈবগুম্না লেংখিব্রা, যেংবদা কন্দম নাই। লাইবেন্সীগী মতৌগুম্বী লৈশাবী অমত্তং চৌশিংনা যী যজ বক্তবা লেন্থুনা নীদা মনাগী অনোক হ গুনা মখুত্তা তফ তকবা বেগ পাইদুনা হৰুং-হন্দা চৎপা উরগা যভবা পান্দমনিংভাই লৈতে। পাবখিব্রা তুরেন তত্রুদা থোং শাদুনা নীহন্দোক হৰুিন চৎনৱিবা, তাহংজ মপে মপে থাংখিব্রা, ঙেংবদা বুকৈগী মংকনি। তত্রুগা মফম অমদা অপাকপা তুরেন অত্রুগী মথক্তা ফুট ১৫০ রোম ব্রাংনা যোংকী থোং শাদুনা মাঁহুগী মথাদা শিকা যান্দুনা, মহুদা মী, শগোল হৌনচিংবা অসি তোংহনগা ইলেক্ট্রিকনা লৈদুনা পুম্নক তত্রু তুরেল মাহোক লানশিন তৌবি। মতু উবগা তঙকপা পোকই। চিথেক কোচিন নাইবা দোলান পরেং পরেং লেংখিব্রা, শগোল গাড়ী, টম টম, ট্রাম, হাওয়া গাড়ী, রেল গাড়ী অসিনচিংবনা গভৎপা লৈতনা চৎলিবা, মীৎফম তাংখিব্রা (গলি) লৈবক মযাম্না থং থং লৈখিব্রা, য়েংবদা পেনবা নাইদে অমত্তং হাইফম থংদে। মথক্তা হাইখিব্রা ফ্রান্স লৈবাক্কী ফজবা পুম্নক তসি ফনাগুম্বা মী অমনা মীৎ উইশিন্দুনা মুয়া বাহল তৌদুনা হেংহবা—পাক্ত অমদা হাইকরগা, মংদা উবমগা মীকপ থোক্তপগুম্না— মীতৌই, কল্লবপা লেন্দবা তমদুং তবিবা পোকই

লানগী তৌনরিবা থৌরাং।

লাঙ্কম অসিদা ব্রুটিশ, ফ্রান্স, আফ্রিকান, আমেরিকান, অস্ট্রেলিয়ান, চাইনিজ অমসুং ইণ্ডিয়ান সিপাহী কুলি মযাম লৈ। অসিগী মতুংদ চিংদা তবা কুলিশিং অহু যাম্না কন্না থবক সুবা ঙমই। মখোয় অহুনা মণিপুরগী কুলিশিং অসিবু মফম অহুগী মীনা যম্না থাগৎনৈ। মণিপুরগী কুলি কোম্পানী গরি অসিগী মতুংদা মাওগী কুলি কোর অসিনা অমুক হেন্না থবক কল্লি।

য়েকনবা জর্মননা যুমথক্তা বম খাদরবদি, যুম অতৈ অতৈমু শোকই হাইদুনা, বোয়াদা লৈডোই হাঞ্জিল্লগা যুমগী অকোইবদা পন শাদুনা লৈপন থোল্লি। ৱাই হাটমেণ্ট কৌবা মফম অদুদা বোয়াদা লৈডোই হাঞ্জিল্লগা, যুমগী মাইকৈ মরিনক্তা। লৈপাক নাখৎলিবৈদা পঞ্জাপকি ছোট লাট ওইরম্বা লর্ড এনথিল্লা, মণিপুর কুলিশিংবু যাম্না থাগৎপিরমই। অদুগা অচৌ অচৌবা অফিসার অতৈনসু রিপোর্ট তৌবা মতমদা কুলিশিংগী মরমদা যাম্না থাগৎলি। ট্রেঞ্চ কুপ্পনবা য়োংকী খরাইদা ফদি শোন-শিনবদি ফরাসী মুপীনা অয়াম্বা শুই। যোং অমসুং উগী মিস্ত্রীনা অহিং মুংখিল থবক শুবগী মনিন্না ইনিস্ত্রা মনিল্লি। মচি মচি খুদিংদা লিংলিবা অফিস মযামদা লাইরেকপা ময়ামনা লান চংগদৌরিবা মমদম য়েকখোৎলিবা; বেলুন তৌংবা ময়ামনা দুর্বিবন অমসুং ফোটোগ্রাফ পাইদুনা য়েম্বা তেঙ্গোম্লনা থুপলিবা লমগী ফোটো

লৌরগা নম্না যেকপদা পিরিব', অসি পুমনমক অস্রি য়েংবরা অচকপা মশক ওই। হৌজিক খবর কাগজদা পিরক্লিবা লানগী ফোটো পুমনমক অসি বেলুন তোংদুনা লৌবা ওাক্কুনি। লান চংশিবা সিপাহীনা লাংখোংদা থুপদুনা থেংনরিবা অতুগী মপাদগী খরদং হন্থোক্লরগা, বেলুনা পরেং পরেং পাইদুনা যেক্লবগী তেঙ্গোল অমসুং বৃটিশ সিপাহীনা থেংনরিবা লান, অদু মহৈ ২ য়েংনহনা লৈ। বেলুন অসিদি লান থেংনবা নত্তে, খবক পোরোন য়েং-বত্তনি, মসিবু এডোপ্লেন্না ওাকলি। জর্মনগীসু অসি মডাই; জর্মনগী এডোপ্লেন্না বৃটিশগী এডোপ্লেন মৈ থাৱৈ, বৃটিশনসু মখোইগী থাকই। বেলুন মৈ চাক্লবদি বেলুন্দা তোংলিবা মীশিং অদু ছাত্তিনগুম্বা অমা পাই-দুনা মথক্কগী ত্তারকপদা শিদে অমসুং বেলুন্দি মিকুপ ৪। ৫ গী মনুংদা চাকপা লোইদুনা ত্তারকই। বেলুনা চাওবদি মথুংদা লম মচা তকক শাংই, অদুনা লম অমা থগাইরোম লাওই। থৰোগী মওং মানবা বেলুন জাং শসিনা য়ামনা উই, অদুগা অত্তে চেবোনগুম্বা জাংসু লৈ।

মাগী মাগী লনগী অচৌ অচোবা ফম্নাই ফানাইব শিংনা হেড কোয়াটার অফিস লিংদুনা দরবার তৌনরিবা; মোটর সাইকল তোংবশিংনা অহিং সুংখিল নাইদনা লাইরিক পাও চংনরিবা, লাঙ্কমদগী অশোন জনা পুথোরক্লিবা; লমতুপ লমতুপতা মথং মথং শন্ত্রী লৈরগা লম্বী চংপা

নীবু ৱা, পাও হংহুনা লম্বী তাকনিবা মরক মরক্তা বৃটিশকা জর্ম্মনগা লান খুথেংনবদা রেটক্রোস (অশোল অনা পুবা গাডী) না লম্বীদা চিৎ-চাইবা য়াদবা মখে অনাবা হোন্দোক্লব্রিবা , মখুৎ মখোং তেকপা, মমিৎ মনা শেকপা, মনাতোন ককনবা অমসুং মকোক কাইবা গোঁড়া সিপাহীশিং অহুনা অন বা চৈনাখোন অহুগী মীওোন্দা অৱাবা ইউৎ উস্তুনা নিপাথোকনা চুকটনচিংবা থকতুনা ডাক্তর খানা তানা হন্দোক্লব্রিবা , অনৌ অনৌবা সিপাহীনা লাম্ফমলোমদা চিংশিল্লিবা , অচৌ অচৌবা তোপ গাডীনা পুশিল্লিবা , অচৌ অচৌবা ফমনাইবশিংনা হাওয়া গাডী অমসুং শগোল তোংহুনা লানওং যেংনবগী চংশিনখ্রিবা , বদলি সিপাহী মযামনা মাগী মাগী কোম্পনী হন্দোক হল্লিল তৌনরিবা , জর্ম্মন সিপাহীশিংবু বৃটিশনা ফারকলিবা , ফ্রান্সগী মুপী মযাম্না রেল গাডী অমসুং শগোল গাডীদা তোংহুনা মপোৎ মচৈ য়াওনা শাক্লেন্নরিবা , অহুপ কুংখ্রবা নোযাম অহুগী মরক্তা ফ্রান্সগী লৈশাবী অমসুং মৌনা মোটর সাইকল, একাগাডী অমসুং হাওয়া গাডী থৌরিবা , অমগা অমগা চিঙ্ক্রোক্লহুনা ৱা ডাংনরিবা, হন্দোক্লব্রিবা সিপাহীশিং অহুনা লৈখোয় লৈনাং, ইহিং নাহিং শাররিবা য়েংবদা অকীবা, নুংশিবা, কঙকপা অমসুং নুংঙাইবা পোকই ।

মথক্তা হাইখ্রিবা লমতুপ লমতুপ খুদিংদা লৈখ্রিবা

শক্তিশিং অহু অসুপকী মতিক চেকশিলি, মসিদি :—অপিগক মীকুপ্তী হোৎনা তচৌবা ফীল্ড মার্শেল (খ্বাইগী মকোক ওইবা জর্নেল) অহু কাওবা মমীং মথা হংদনা পাশ য়েংলগা লাম্ফমলোমদা চংহল্লি। শক্তিদনা হংবদা মতিক চাবা পাওখুম ফংদ্রবদি বনা অমত্তবু থাজিন্দে। মসিগী মবমদি,- মমাংদুদা জর্মনশিংনা যাম্না মরৈ-মবা তৌত্রিনা বৃটিশকি মী শাহুনা নাম্থোং দেংখ্রগা, মখে ঈনা লান চংলকপদা খুদোং চানবা শিনখি হাই। অসিগুম্বা ফ্রান্স অমসুং বৃটিশকি থৌরাং অমত্তং মপৌনা অসি উবদা হেক্রুবা জর্মন্না মখোইবু নিংখাইহনবা ঙমগনি হাইবা তসি মী পুক্সংক্না নিংনদে।

মরৈবাক্কি অমসুং মকপকীদমক মবল তিংবা কিদ্রবা, নোংমা নোংমগী মী লিশিং লিশিং শিনবিবা ; নুপী মবাম্না লানগী থবক্তা মতেং পাংলিবা, অসি পুক্সমক উরগা মখোইবু থাগৎনো লৈবা ঙদে। মখোইগী মপৌনা মরোশিং কথাগী মতিক চাওহৎপা খঙ্গা হাইবসি তাই-বংপান পুক্সমক্না খংনখ্রে।

হুন্দুকী লান অসিদা ইন্ডিয়াগী ষ্টেট মংমা মাগী মাগী মতিক চানা বৃটিশ গবর্ণমেন্টবু মতেং পাংলি। পাংলিবা মীরাম অসিগী মবক্তা মণিপুর ষ্টেট অসিসু অখোইবা অমনি। মরৈবাক্কিদমক মাগী মাগী নিংথৌগী মাথং হুন্দুনা মমল নাইদ্রবা থবাইবু পাম্মুনদ্রি, অসিগুম্বা

অবল অকলবা মৈতৈ মচা খরম্, মণিপুরেশ্বর মহারাজগী মা য়াথং মকোকপক্তা হাপতুনা লান চংখি। মখোই অসিগী মতৌগুম্বা ভূংগী ৱাখল, উরবা অর্থো অথোবা মকপনা অৱাবা তারবা মতমসিদা মৈতৈ মচা পুন্নমকখা ৱাম্বিরপদবা মতিক ওই।

(ফ্রান্সদা মণিপুরগী বুলিনা সুবা থবক)

মণিপুরগী লেবর কোরনা ইংখ্রবা ফ্রান্স লেবাক্তা থবক শুকবা অসি লানগী মরমদা য়াম্না কায়ে। মরমদি শুৎলাইদা পাঈহুনা লান তৌবা য়াবা নত্তে। লানগীদমক বম তোপ মরু, ঈশিং, টেঞ্চ তৌবা, লম্বী শেম্বা, যুন শাবা অমসুং লানমীশিংগী চিঙ্গাক পৈবা অসিনচিংবা থবক পুমনমক অসি অচৌবা হিরম ওাক্তনি। লান হাইবা অসিমক্তবু হিরম পুমনমক-ইশু শুনা, অৱাৎপা লৈতনা তৌববদদা শোরুবা যাবিবনি। অসিনা হন্দক মণিপুরগী বুলিশিংনা ফ্রান্সদা শুকরা থবক ময়াম অসিমু অবাইবা নত্তে।

ইরৈবাক্কী নিংথৌগী য়াথংনা মমল নাইদ্রবা থৱাইবু পাম্মুবা লৈতনা, থাপথ্রবা মীবৈবাক্তা চৎতুনা নিংথম্বনা মপাল থোকনিংদ্রবা মতমদা নোং-মুংশা খাক্তনা অমসুং অহিং-নুংথিল নাইদনা থবক শুকবা মখোইশিং অসিবু থাগৎতবা ওমদে।

উম্না য়ামনা ওাহুনা মপাল থোকপা যাদ্রবা মতম

অহুদস্থ থোকতুনা, নোং-মুংশিং নবক্তা থবক শুবিবশিং হৌহুগী অৱাবগী মতৌ উবদা কবাদা ৱানখিব, পুম্নমক্ত ইহুনা লোইবা পোৎ নস্তে। নিংথম্বনা থবক শুবা যাদ্রবনা ৗ তিকতুনা লৈবস্থ য়াওই। নোং তাবা নুমিৎদি নুমিৎ চুপ্পা নোং চোৎতুনা থবক শুই। পোৎথাবা মতম দদি করি কবিগুম্বা মফমদা মৈ তিকপা ফংই, ব্রাটরপ্রুফ পি। শেংপা চাবগী জাতদি কবিশু অৱ ৎপা লৈতে খাও খাও, লেও লেও হাইবদা মঙাইখ্রে।

হৱাইগী জাৎ, ধা, চিনি, মাখন, শঙ্গোমনচিংবা মবাং কাইনা ফংই। মণিপুরগী কুলিশিংদা বৃটিশ গবর্ণমেন্টনা অচা-অথক— ধা, হৱাই, শঙ্গোম অমিনচিংবা চাননবা পোৎ মবাং-কাইনা পিবতদা হবাওহনা যাম্না চাশিন্দুনা নারকপস্থ য়াওই। মাগী মাগী জাৎকী চিঠোক অত্ত শোইদনা পি।

মীবৈবাক্তা লৈকৈদগী মপুক্কিংস্থ ৱানা উই। চাং নাইনা নুমিৎ খুদিং নুমিৎ যুংবা মতমদা পুং ১ অমা পোখাবা ফংই। করি কবিগুম্বা মতমদা পুং মখাই অমত্তা থাবস্থ যাওই। নোংমাইজিং নুমিত্তা থবক ৫.৬ক্তে অহুমা করিগুম্বা অরুবা লৈরবদি নোংমাইজিংদস্থ থবক থোকই। লৈফমদগী মাইল ৩½। ৪ দগী হেন্না লাপ্পা চৎকদবা লৈরবাদ মোটর অমস্তুং ৱেল গাড়ী তোংতুনা মাইল ১০। ১২ লাপ্পা চৎপস্থ যাওই। অমুক পুং ৬।৭ তাবনা

থবক থোকপা নুংথিল নুংদাংব্রাইগী পুং ৪। ৫ তাবদা [illegible]। করি করিগুম্বদা অহিং চৎপস্থ বাওই। অদুগা লান কাপনবিরু মাইকৈ অনকপরোগদা চৎলবদি [illegible]। [illegible] নৈদনগী মাইক ৩।৪ রোপগী অন্দাজ [illegible] শুহল্লি। মবা অহুগা কুলিশিং অমি [illegible] অদুং [illegible] লৈতে। অদুগা [illegible] [illegible] শুবা চৎলবদি, গ্যাসকি টুং। [illegible] চৎলি। [illegible] জর্মনা পাইশিনকহনা হুগী মথু [illegible]পশিং। অদুং বা মক থাদরকই হাইহনা, অনি-[illegible] মানিদি বানা চেকশিল্লি। থবক শুবা মতমদা [illegible] বকিদা [illegible] গোঁডা লেবরশিংগুম্ [illegible]তানা থবক [illegible]। [illegible]গী হাওগা গোঁডাশিং অদুগম্ [illegible]। [illegible]হাওদি মহৌশানা খুজিন কক্ত-[illegible] খুজিন্না খোৎপদি হেক্তা [illegible] অমসুং [illegible] নাইহিং শাই।

[illegible] মবা শুমিতদি জর্মনা কাপনকপা [illegible] ([illegible]) [illegible] চৎখি [illegible] মডাংশিনা খুং, উংবগু। [illegible] অমসুংনা বৈশিলি। নকশিল্লুরবা [illegible], [illegible] বৃটিশ সিপাহীশিংনা কবং [illegible] অমসুং [illegible] ববানা লান তৌবিবা খংক্রে [illegible] তোপকি [illegible] নুংশিনদসু উই। অদুগা মী [illegible]ক্তি অমতম্ ভান।

১ নং। বেলচা, গেন্তি অমসুং ঠেলাগাড়ী প.ঈইনা সড়কতা কাংক্রিক থাবা, নানা শেংদোকপা অমসুং সড়কতা আলকাতরা তৈবা।

২ নং। লৈপাক্তা নালা তৌবগা মতগী মনুংদা শিগনেল অমসুং ঈশিংগী নলী হুকপা।

৩ নং। অরিবা ট্রেঞ্চ মনুংদা হাপনবদ্বা উ অমসুং উপাক লৌথোকপা (ট্রেঞ্চ শিবা) অদুগা অনৌবা ট্রেঞ্চ তৌবা; ট্রেঞ্চদা উ থুংবা।

৪ নং। শিবি তৌথাইদুনা অনৌবা বেল লম্বী শেম্বা।

৫ নং। ক্যেম্প অমনবা শিরগা মফম হোংদুনা অমুক অনৌবা ক্যেম্প শাবা।

৬ নং। সড়কতগী উল কাইবা অমসুং ব্রাইশিংপা।

৭ নং। রেলগাড়ীদগী বম তোপ মক, উযুম শানঃ নবা পোত্শিং, ট্রেঞ্চদা লৈবিবা সিপাহীশিংগী মাইথল, য়োংকী মাইথল মথম নাইবা অমসুং মখো পানবা অমা (ট্রেঞ্চ মথক্তা থম্নগা মদুগী মফমদা যুপ য়না নোংনৈ কাপনৈ), চিঙ্গাকনচিংবা লৌথোক লৌশিন তৌবা।

৮ নং। লাম্দা থুংলাইনা শোকখ্রবা হাসপাতালদা লৈরিবা সাহেবশিংনা শিরগা লৈপাক লাংলোং তৌদুনা থুগাইরে, লৌরি তৌফমদা শিবশিং অতৌদি — মফম অদুদা [illegible])।

[illegible] তেপে অমসুং মেটিনগন কাংফম অতৌ লৈপাক [illegible]রগা মদুদা উ থুংবা।

১০ নং। লান্দা সৈনিকশিংনা থক্লবা ঈশিং পুশিন্নবা উতোং হুকপা, টেলিগ্রাফ অমসুং টেলিফোন পুশিন্নবা য়ুম্বী য়ংবা অমসুং সিপাহীশিংনা থুংলু থুংলু মফমদা চাননবা চিঙাক পৈবা।

১১ নং। সিপাহীশিংনা থুংবা লাংথোং টেঞ্চ তৌরিবা অতুদি ফুট মঙা তকক পাকই। ফুট ২০।৩০ রোম শাংনা শাংনা, লমতুপ লমতুপ তৌই। চুমদ্রিং চুমদ্রিং চংতে, চিথেব বোক্সিন নাইনা ঙাক চংলি। তৌরিবা টেঞ্চ অসি নোংচুরগা লৈপাক বিস্থরকই হাঙইতনা নাক-যেঙ, উনা ক্রক ক্রক য়ংশিল্লি, টেঞ্চকি মথক্কী লৈনুংদা অথাবা উনা শিলিং থাবস্থ য়াওই। বরিগুম্বা টেঞ্চদি ফুট ১২।১৩ রোম লুবস্থ য়াওই; মতুদস্থ মী লৈনা মথক্তগী য়েক্লবনা বেংথবকপদা লমহাং নারক-শিংলক-শুইনা উনবা হোংনৈ। সিপাহী ময়ামগী লৈফম (আড্ডা) শেমলিবা পুম্নমক অতুদা বুথিবা জিঙ্ক ময়াম অতুস্থ মচু কসংবা ঙাক্তনি।

বম ভোগ নোংমৈ মক শেলনচিংবা থুংলাই ময়াম য়ৈলদা হাপই অমসুং লৌথে। বোরাদা লৈভোই হান-জিল্লগা মাতুনা লৈপল থোনগংলি। তোপ অক অসি মখল মখা যামই — মচিন, ভুম্বা, পুনগী মৱোং মানবা অমসুং মৈরিবোব উতোং মানবা লৈ। মরু ময়াম অসি বিহোম্মুব চাওবদগী মী অনিনা থাংগৎপাক্কাও লৈ।

তোপকী মপী অহূ মন অমা থগাইরে মদগী হেন্না শাং-বগা য়াওই। তোপ মচিন অতুবা নাইদে। শাফ্বদি মাইল ১০।১২ রোম থানি হাঙ্গৈ। তোপ অসি মোটর গাড়ীনা চিংই। তোপ অং অমখৈ মচদি খীদগনা কৌই, মতু ইডিয়া থোই। এবাগাড়ীগা চেইন মানবা অপাবপা চেইন অম চাবা অত বোম্ব। দুনা লৈতুনা চিংই (চংলি)। শেলনা চিংবা তোপ অং অমা যাওই, মতুদি কপা চাওদে হাইবনু লান্দা যাবদ কানৈ হাঙ্গই।

টেঙ্ক কৌবা মনম পোনবা, মথুঙা মন অমা থগাই-রোম শাংবা, মরাক চপভক তৌবা, দুটমুম যাবা মোৎনা শাবা উপু অম লাম্বম মযাইদা ইডিনা পৌজিন্নি মসি অচৌবা য়ুদ্ধজাওগী, বা অমমুক চাংই। মতুদা তোপ কাপননবা ইকোই কোইবনা মমূং থান অমসুং ১০মুক হুৎলি, মসি লৌবুক্তা নিংথিনা তেংবা যাই। টেঙ্ক মনুংদা লৈরিবা সিপাহী মখয়া, মপান খেনবা য়ারকত্রবা মতম-অদুদা মসিনা হেনবা অঙ্গ থৌজিলি। হেঙ্গোল থুগাইবগী থবক্ত মসি যাদনা কপা পোং অমানি হাঙ্গই। উপ য়াম্না তাবা কান্দা লডকতগী উপ মতৈপ মপেদু লৌথোকহন্নি। লৌথোকই হাইবদু মতাং, অমুক মতারবই: মতোইনা কনা মতারবদি তাওয়াগাড়ী, মোটরগাড়ীনচিংবা পুমনক নোংম নিনি দক তৌই

হেনক্কুনবা অা। অনিদা মচংশি। অসিগুম্না ঙতমদগি নৈবাক্‌ অঁত্। মীগু ওশান কবা থোক্কে। উল মথক্কু চংপসি, ৰরা অপবশ সীদি লুখম নৈতনা অমসুং কৰাং ফাক-ংনা তুগনি। উল যামনা তাববদি, অযুক নোংয়োম্বকপ।। থোং হাংদে, থদা উনা নপশিনখিতনা থেংগু হাংবা নামা াই। বা [illegible] । ঈশি, শোকনুনা ঈগুদা থগলবম মচ ন চিন্‌ই, তৌটিনা ঈশিং লোকপম্‌ তৌটি মচিন নচ নৈনা লোদো ইশ্রি। মতা অসিদগি অতুদা হৌবা পান, দোলান অমসুং চৌবুকনচিংবা পুননমক্‌ পুগচ্চা থোই। অনা বা অমুবা পোং অমগা উদে লেংখি থেংখিব। পুন্নমক পুপা মুদোংবগী মচুগুমই। উশা পরেং অনা শিংখিববা লমশাং অচুগী নাক-মেয়োক থেক পবত উমা নদোংনবা [illegible] পাম্বী মথাম শেনচুনা নীগা লেগা। নিংহনি, নত যেংবদা পুকনিং হুনবগী [illegible] তোংবাম্‌। মচিনাক থিবদা মচিননা [illegible] ইবম, অচ পোং নযাম অডু মুট ৪।১ [illegible] লৈগা মগনী অমবাপুব হাঈবত [illegible] হাঙিন নিংনৈ। অযুক্না উচেক খোংদে, থেনাবা, বতি শংগা নাংগা তই। তৌইগুম্বমং নোং ঙাকপানি ইচাগী নাবকুনা খোংদে চিংগী হুনকপা থেংগী লেংলে তাই।

অমুক [illegible] নাক মম্মু মন্না নাক্ষম অম্না পাইশিনখি, মুলীন বা [illegible] বাচবা মতাদা শেকপী চাক্তাবা চংপগু

ক্বাক সঙ্গু সঙ্গু হল্লকই; মশিং লাকপা ভগদ্রবা ক্বাক্বী নৈপেনা পাইবদি নোংডাম্লকপদা ডান্নু থঙ্গোং মযাগনা সব সব লাওবা খোঙ্জেন্না পল্লেং পল্লেং পাইবগুা অতং অথা নৈতনা পাইরকই। মখোইগী মতৌ অদু উরগা, অনম্বগী নশক ফংনবা লান্দন অসিগী ঈনা লৌপোং ওইনা চেনবা পাল্লবা ঈপাকথকতুদা তোংশা মুনরকপগী অব্রা পেশানিংতুনা যাইবেককম লমদম পাংনা খেকনা খেকনা সঙ্গু সঙ্গু পাইরিবান হাঙ্গৈনা নিংই।

ক্বাক নযান অসি উবগা, থাইনা মহাভারতকী লান্দা বণ বঙ্গিগী দেবীগি পুকিং পেল্লবগীদমক দাকিনী যোগানী নবাম্না লানগী ঈগক্তা তোংশা মুন্নহনা হল্লাওনা পোইনা অগোই শাবগী বারিহ্ নিংশিংলকই।

মসগী চাওবা লান্দন অসিদা বৃটিশ, ফ্রান্স, হাইল্যাণ্ডস (স্কোটিশ), কানডিয়ান, মার্কিন, অষ্ট্রেলিয়ান, পোর্তুগীজ অমসুং আফ্রিকাগী সিপাহী পুননমকসিনা লেন্দুনা, অঙাংবা মাংহাকনা লান লেংনবি। ইণ্ডিয়াগী ক্রক সন্নাবা অমসুং আবনী পণ্টন থবক্ নৈনবা উই। নথক্তা হায়রবা ইণ্ডিয়ান অমসুং আফ্রিকান নচনা অতৈ সিপাহী পুননমক্তি গোঁড়া সহেব ঙাক্তনি।

বৃটিশ সিপাহীশিংগী ফিজেংতি, হন্দক ফ্রান্স চংলুবা মৈতৈ বুশিনা লেংলিবা ফিজেং অত্তুনি, যেংবদা মকা উই। তৌইশুমক্তং অফিসারশিংগী ফিজেংতি যাম্না ফজে।

হাইরেঙের সিপাহীশিং অসিনা ফিজেং যাননা ফৈ। মুদীনা তৌবগী মখক্তি যৌনা অমা লেংবি, পশালুপ, চাও শাংই, থেংনা কনথোপদবা পতৌ শাত্রি, অগমা লান্দগী যাম্না থৌই হাঙ্গৈনা হাঙ্গৈ, লাচেং ব্যবহারগী যাম্না ফজে। মখোইগী পাটন নাপাল নায়াম্না লম্পীদা চংশদি ইংলণ্ডগী মেশ পাবা থোরকপগী পুথিং চা নিংথিজে। মখোই অতুং উবদা সিপাহী খগি বা পোকই। মখোইনা খোংবা বান্দ ই অতুগুম্না অতৈদা শক উদে। মখোইনী ফিজেং তৌ উবদা বৃটিশকী সিপা মসা। লাল তুখিবতুগী শাওঙ্না মুথী নবানন্দ লান চংলম্বা হাঙ্গৈনা কর্মনা মহাভারতকী পাবী পানবগী হৌখ্রবা ব্রারি অ হৌদোবে অমত্তং লেংকই হাঙ্গৈনা ওংবৈ।

ফ্রান্স সিপাহীশিংগী ফিজেং যাননা নুই, খে গ্রাওচিংবা মখোইগী পোৎ পুন্নকত্থ ংগোক মাল্লি। মখোই অসি বংফানগী লান্দদি যাননা শিংই হাঙ্গৈ।

হৌজিক পোরনিবা লান অসিদা থা মচেংশা অকোইবদা লানখোং তৌবগা অমত্তং ব্রাবপোষ্ট হাঙ্গৈ যুদ্ধী মচা মচা যুংলগা, তিংখংপানবা যোৎলিনা খো শিন্দুনা থেন্নবগী লাঙ্গেংনবা পথাপ অম লৈ। মখোইনা হৌদোকপনি হাঙ্গৈ।

ফ্রেঞ্চ সিপাহীশিংনা খুৎনাই পুনগক্ষু বৃটিশকা চপায়ে। মখোইনা লন চংবদি করি করিগুম্বদা নিংথিনা রং থৌরম্ পোন্দ গুনু তরা কুন গাড়ীদা হাপ্পুনা পুথোক পুশিন থোই। মত উরগা অঙাংশিংগী লাইরিক্তা লানা পুনা পও চংপা বারিমু নিংশিংই।

বনাড়িতান সিপাহী অমি য়াম্না মোৎলি, আফ্রিকান সিপাহীশিংদি কেক্রগুন ঙই মকোক্কী মশাগদি শঙুগুাই, শৌবি শৌবি শানা হৌই। মখোই অদু উরগা দুর্গাপূজাদা যাওবা, মঙ্গিবাহুর কৌবা হিংচাবা অদু নিংশিংই। হিংচাবা হাঙ্গৰ জাৎ অসিমক্তবু কাংবু অসিদগী থোকখিবা মালে নিংই।

ফিজেত্তি ফরাসীশিংগী লোইনা ফরাসীগী ফিজেৎ শেৎলি, বৃটিশকী লোইনা বৃটিশকী ফিজেৎ শেৎলি অসিনাচিংবা মাগী মাগী লৈবাক্কী ফিজেৎ হৌনবা অদু শেত্নুনা লান চংলি। আফ্রিকান হাঙ্গৰা জাৎ অসি যেংবদা যাম্না কন-থোগদবা মতৌ মাল্লি, থবক শুবদা য়ম্না হৈ-শিংই।

এরোপ্লেন্না লান চংবা মতাং।

এরোপ্লেন হাঙ্গবসি মখল মরি মঙা থোক্না থাইবি। মাদুদি ঃ— বেলুন, বগবার্ড, জেপলিন, এরোব-গন অসিনচিংবা।

" বেলুন "না যিত সিকুউরিটিশিংনা শিজিনৈ।

“বাবোঁড’’না লানগী মচাক মথুম হৌখি।

“জেপলিন”দি লানগী অকনবা পেননি, ঈশিংচি চংগি অতুগা অতিযাদস্ত পাইখৎলি।

“এরাব-গন”দি ঈশিংনদি চংতে অহংগা লানগী অকনবদদি মানা মাংজিংঙনা চংগি, মাসি ফ.ইটর হাঙৈনস্ত খংনৈ।

এরোপ্লেন লান চংবগী মরাদা যাননা উশিন-শংজিলব — সেকেণ্ড লেপ্টনেণ্ট, লেপ্টনেণ্ট, কাপ্তেন অমসুং মেজর নত্রবদি চংদে। লান চংবা মতমদা এরোপ্লেনগী মথা দুগী মথাদা, নাক য়েংলোম ওইরোমদা, বন মরি মরি, মঙ মঙা হাপতুনা পুই। বন পুননকসি স্প্রাংনা ফাজিল্লি। বন মক অমানা ফুট অনিথোন শাংই, মাগান্দা তেনা চলি, চাওবা বুট অনি নথাইবোম চাওই। নথাদি লংচুন নও মঞি। কপ্লা কাদা অতোংবশিনা মাইব লৈরগা নহিং নথা তন্না কাপই অতুগা কাপ্পবা ফেটৈ ননা ছুইন্তে। পাইখৎলবদাইদা লেচনগন অনি গনি পুই, শুন্দিগী কাংখোংবা তমাুক হাপই, তোংনিবা অফি সারশি অহুদি তোংলান্দানৈনা মাগী মাগী ফিজং লৈতেং লোইনা শেংলগা, লুহুপ গমনা নাকোং মাই পুন্নক মেনশিন্দুনা মনীংতা নফাংদ্রাকই, চংপা মতমদা লাম্ফবী মানচিত্রস্ত যাওই।

এরোপ্লেন অসি পাইখৎপদি লম অতোংবা য়াংলি অমদগী, বেনগী মতৌগুমনা চেন্নগা অকুৎপা য়ৌরকপদগী

পাইখংলি। পাইখংলমদাইদা মখোংগী কাংখোং অহুগী মখাদা ওট হাপ্লগা, চংকদবা মীশিং গাহুনা কনফনদা তোংলগা মতুংদা যোগালী অনিনা হুমাই অদু চিংথ-চিংথহুনা অমুক অনিরক লৈহল্লগা, অতোংবা মী অহুনা থাদোক্লো হাঙ্গৈদুনা মখোইবু খুংনা ইঙ্গিত পিরকই। মখোইনা থাদোক্লগা হুমাই অদু কন্না লৈরকই। অমুকস্থু অনিশুবা ইঙ্গিত ফংলগা মখোইনা মখাগী ওট অদু শংলি, ওট অদু শংপদা চেনবা হোই। এরো'প্লেন অসিনা পাই-খংলবদা অতিয়া মথক্তস্থ' কাংখোং অদু উকক লৈ। পাইখংলমদাইদা মাগী হুমাই অদুনা লৈরকপা শব্দ অহু নোং মুংশিংকুম হোই। মতুংদা মী লেপ্পা ওন্দে পাই-খোরকই।

এরোপ্লেন তোংবা অনি লাল থেংনরবদি ব্রাংনা পাইখংপা তাদ্রে। এরোপ্লেন্না পাইবা অসি মখাদগী যেংবদা লংজামুক ব্রাংনা পাইবা ওমই, চরাংগী মওং মাল্লি। মসি তুমিন্না লোম্না পাইবা যাদে, ডুং ডুং নিল্লি। থাগনা ব্রাংনা পাইখংলবদি, মনিল তাদে, মশক্তি উই। জর্মণলোমদগী বৃটিশকী লমদা যাম্না পাই-রকই, তোইগুম্বস্থং বৃটিশকী তোপ কীবা মরমনা নকশিনক পদি ওমদে।

এরোপ্লেন হাঙ্গৈবা অসি নোংডানবদগী মুমিং তাবা ফাওবসিদা যাম্না তোইনা পাইবা উই। অহিংদা নোংচুবা,

চন তাবা চুং নোং-মুংশিং শিংপা মতমদদি কযা পাইদে। অদুম ওইননক যেনবা জর্ম্মনা পাইশিল্লবদি বৃটিশাকি এরোপ্লেনসু পাইশংতুনা যেক্লববু তাঙ্গোকই। অতিযাদা নোং অনসুং নৈচিন নোংফাইনা কুপ্পা নুমিৎ অড়দদি বৃটিশ, অনসু, জর্ম্মণগী এরোপ্লেন মযাম নোংবক্তা পাই হৌখ্রগ, নৌচিন অনসুং নোং মবক্তা পংকাপ কাপা। অনভসু নপক ভদে। অমুন ভৌনা কাপ্পবসি মুংথিনডা ভই। থাবন দরবদি অহিংদসু কাপনে। নম অনডং নোংচনগী নাখ্রলনক্লনা নবোং যৈশিল্লি। মখোল ভনা খোইদে, ফাবে থু থুং লাওই। অভিযাদ বাপনব লান অসি, বৃটিশনী নীনা লৈবা লমভদা ভৌননা ভই। মমা বনাগুম্ব অফিসারশিংনা হাঙৈবদি জর্ম্মণগী ননা চংখিত্রনা বৃটিশ এরোপ্লেনসু লান অসি ভৌকই হাঙ, মভদি চদে। যেকবা অনসুং তুরান লান্নাদা তৈশিংলব জর্ম্মনা, মখেইগা নাযোকনা লাম্হেংনরিবা মীগী মথক্ত বন থাদবদা নবনা, লান য়াওদবা অভাং মুপী লৈফম দসু, শুকখ্রবা অহিং অমদবদা পাইবকতুনা বম থাদবম্মী মখোইনা থাদবিবা বন অদু মখোল যাম্না হোই। মাইক মুক লাপনা থাদরিবা বম অড়গী মনিন্না, অকনব মুহাবাবনা ভৌবগুম্না নৈপাব থ্রক গ্রক নিকই, যুং ফেং ফেং হাই, যুমগী পোংদা অকানবা নিপা অমন যোংখোনা কুবগুম মখোল হোই।

এরোপ্লেন পাইখৎফমগী নাকল ময়া অমদা মাইল নশুংমুক লাপ্পা ফীর.ন মচে অমা খুংলগা, মহুদা খাও শান. ফীরান অমা পুনশিন্নি। মহুনা মুংশিৎ শিংপনী মাইগে খংনৈ। এরোপ্লেন পাইখৎপমদাইদা ফীরান অহুদা মুংশিৎ মাইগে থেংলগা, মুংশিৎকা মাথোক্লনা পাইখৎপা। পাইকবা। কুপথরকপদি মুংশিং মাইগে থেংনদে, তোই-থুম্বুং য়াম্না লুনা হোংনৈ। মতা চাদ্রবদি হাওনৈ পোবপোং ওদুনা মকোক কুনা অঠনা অত্তোংবা মাপিং অত শোকই অমসুং শিবস্ত যাওই, অহুগা এরোপ্লেন তেপপস্ত যাওই। লৌবুক লম্লাংদা অসুম তৌনা তাবস্ত উই। অহুগা অতিয়াদা পাইখৎপগা এরোপ্লেন মশাহু-নক্ষী মৈনা, ইঞ্জিন অহু মৈ হৌহুনা অত্তোংবা মীশিং অহু শিবস্ত যাওই। এরোপ্লেনগী থবক অসিদি শিফ। থাগথে, অকিবগী মপুক্কি।

এরোপ্লেন্দা মা তেংফমহু মথক বুপ্তে, নোং চুরবদি ব্রাটারপ্রুপতা নশা বন্নি। থেরবা জর্মন্না বৃটিশকি লমদা এরোপ্লেনা লাক্কুনা লান হৌররবদি, বৃটিশকি এরোপ্লেন মথাম্না কোইশিন্দুনা কাপথুই। বৃটিশ জাতি অসি থৌথেদা, হৈ শিংইদা। জর্মণগী জাতি অসিস্ত শিরা কিখিদ্রে হাঙৈ।

অমুম্না কাপথুবদগী তারকপা জর্মণগী এরোপ্লেন অম অনিস্থ উথে। অতোংবশিং অত শিদে, মশাদি

যাম্না শোকই। মথোং মথুং তেকপা যাওই, ঙ্গ নাই থোকপা উই। জর্ম্মণগী এরোপ্লেনদি মংখিল অমম্তং অযুক্কী মতম অয়াগবদা পাইরক্তুনা বৃটিশকী সিপাহীনা থুপতুনা লৈরিবা লাংখোং, তোপ মক পৈফম অমম্তং মীযাম লৈফমদা বম থাদগদ্রবগী হোৎনৈ। য়াম্না ৱাংনা পাইথৎলবদি মথাগী পোৎ করিম্ম উবা ফংদে; তদুনা জর্ম্মণগী এরোপ্লেন পাইশিল্লবদি ৱাংনা পাইথৎখিনবা হাঙ্গহুনা; বৃটিশকি মীনা লৈপাক মথক্তগী ইকোই কোইশিন্দুনা তোপ কাপথৎলি। তোপ মকু অদু য়াম্না নক্না নক্না চংলি; কয়া পানবদি ভগদে।৮ মকু অদু এরোপ্লেন্দগী হেনগৎনা ৱাংনা পাইখিবমু যাওই। বৃটিণ কী মথোনা অদু উরগ। য়েক্কবা জর্ম্মণগী এরোপ্লেনশিং স্থুদু লমথাংদগী হনখিবমু য়াওই। অদুগা লৈইন লাম্ন তুনা পম্নংলোমদা চংশিল্লকপস, উই। অস্মুম তৌব ফাস, বৃটিশকী য়ন্ট পুম্নমক থুংনা মফম অয়াম্বদা তৌই।

অস্মুম তৌদুনা লাল তৌনবম্বদগী জর্ম্মণগী এরোপ্লেনশিংস, নৈচিন নবক্তা থুপতুনা লৈবমু য়াওই। কাম্নরিবা মফম অদু বমগী মৈখুনা পুম্মম, মমইল মসি নুমীৎ খুদিংগী ইতত্তনা তৌনৈ। বৃটিশ এরোপ্লেন্দগী মৈ অশংবা থাদরম্রবদি, জর্ম্মণগী এরোপ্লেন চেনখে হাঙ্গবা খংনৈ। অদু নত্তনা মৈ অভাংবা থাদরক্রবদি নুমীৎ অদু লাল বনগনি, চেকশিল্ল হাঙ্গবা খংনৈ।

বৃটিশকি এবোপ্লেনস্থু ড়ৌই, অদুগা জর্ম্মণগী এরো-প্লেন্দি লুপাগুম্না ড়ৌবোক ড়ৌই।

বৃটিশকি মীনা নৈরিবা তথোই তথোইবা মফম, হদুগা বম অমস্থং তোপ কপৈকমদস্থু গোঁড়া শক্তিশিংনা দবৰীণ পাইদুনা জর্ম্মণ পাইরকপবা হাঙদুনা নোংথক্তা, যেংদুনা শক্তি কন্না তৌই।

খুংথেংনবা লাল মতাং।

——:(জ):——

বৃটিশকা জর্ম্মণগা লানবন শানরিবা তসি মাইল ৭।৮।৯ লোম নাপ্না নাপা লৈমুংদা লৈনরি। পন অনিগী মযাইদা বরিস্থু লৈতে, নক্মাং ঙাকনি। কৰিগুম্বা খুল লৈবমলবদি, তোপ অমস্থং বম মকনা উৎ ওইনা তাই। খুল্লকী নীদি যুম থাদোকতুনা চেনখি। মখোইনা চংশিন্দুনা খুংথেংনবা লাল তৌযম তদুদি লম ১০০।১৫০ রোংদা মনক্লরে। য়োংকী মচৈ পানবা, কিহোম মানবা, খুংনা হুনবা হেংগু বম মখল যামনা শিজিন্নে। নোংমৈস্থু য়াম্না কাপনৈ। খুংথেংনবা মতমদা কাপ্না নোংমৈদি থুপ্পকমগী মথবলোমদা সঙ্গীন মতোন্না চাইগৎপদা, গুলি মরু মরি

মঙা পাল্লি হাঙৈ। লান্থেংনরিবা খুৎপু অনিমক হাপ্না শিনৈ অমসুং বন্দী তৌনৈ। অদুম তৌববদি খুৎপু অমগী মী অযাম্বা শিববগদা হন্দোক্নে অমসুং লৌশিনৈ। গেঁ ড়াশিংনা অম্বদি— খুৎথেংনরবা মতম অদুদা মাগী মাগী তোপখানাদি ভুংদা মাইল ৪।৫ লাপা লৈরিবা টেলিফোন্না পাও খংনদুনা বম অমসুং তোপ বাক্লি। অদুদা মপা শোইনদুনা মাগী মাগী ঠিক্কা হাপ্না শোইদ্‌, শিবা যাওই। ভুংদা টেলিফোন্না অমুক পাও হাক্না দরকার মপা চুমনা কাপলকই হাঙৈ। গুলি মরু, হুগী মেরু, তোপ অমসুং বম কাপনরবপনা থুপবা আরম্ভ্রবর মতৈ মহৈ চোংথোরহনা সঙ্গীনগা সঙ্গীনগা থিনৈ, পিস্তলগা পিস্তলগা কাপ্নে হাঙৈ। মসিদা থৱাই হিংনিংবগী কিরবদি খুৎলাই থাদনা ফিরাল অট্টোবা হাইগংলি। মদুম তৌরবদি মফম অদুদা অঙম্বা কাংবুদুনা খুৎলাই বাপাদ্র। শুগদবা কাংবু অদুবু ফাদুনা বন্দী ওইনা পুনখি। অদুগা কাপনখিবা মফম অদুদি বম, তোপ, নোংমৈ মরু, লোংমৈ সঙ্গীন, যোৎবী অমসুং গ্যাসকি টুপিনচিংবা ময়াম তাদুনা লৈবা উই। মহু উরগা লাল থেংনরবা [illegible] নবাশিং অদুবু থাগদনা লৈবা যাদে। অদুগা [illegible] অমসুং জর্মণ শিংনা মাগী মাগী লাইন্দা, ট্রেঞ্চ মচুর[illegible]হে মতৈ খুদোং চাবা যেংনদনা থুপদুনা লৈনৈ। [illegible]লেনফমদগী লেক্কবনা লৈবা মাইকৈদা ট্রেঞ্চ অদু খর খর[illegible]নশিনব

যাওই। অদুগা অহিং শুপ্পা মমথ্রবা খুদোংথিবা মতমদা যেক্কবা লৈরিবা ট্রেঞ্চ মযা মযা অদুদা লাকতুনা লান্থোংনবা অম্বু এটেক্ট কৌই।

যেক্কবা লাকপা অদু থুপতুনা লৈরিবা মীশিং অদুনা শংগোৎপবদি, লাকইবশিং অদুনা অহিং অদুদা ট্রেঞ্চ (লাংখোং) তৌদুনা লম ১০০।১৫০দা লাপ্পা থুপ্পি। হেকবনা লাবপত হান্না খংহৌরবদি, লাকতুনা থেংনরিবা বাংবু অদুগীদি যামনা খুদোং চাদে। ইন্দ্রী লান্দন অসিদা জর্মণশিংনা লাকতুনা থেংনগদ্রি, অদুনা বৃটিশনা মখোইবু যামনা য়ামনা বন্দী তৌই। অদুগা বৃটিশনসু জর্মণশিংবু অস্তমনা লাল থেংনকুই, মখোইনা যাম্না চেকশিন্না তৌবা মরমনা অস্তম তৌনবসি কযা ওয়াদে হাই।

মতৌ অস্তম তৌনা ট্রেঞ্চ মনুংদা লৈদুনা বৃটিশ অমসুং জর্মণ সিপাহীশিংনা মাগী মাগী খুদোং চাবা হেৎদুনা লৈনবি। মখোইগী লান্থোংনবা অসিসু নুমিৎ খুদিং তৌবা নত্তে। লান্থোংনবা মতমদসু, ট্রেঞ্চদা লৈনরিবা সিপাহীশিংনা অহিং নুংথিলদসু মবক মরক্তা বম অমসুং তোপ কাপনে।

বৃটিশ অমসুং জর্মণশিংনা লান্থোংনবা (এটেক্ট তৌব) নুমিৎ অদুদদি তোপ অমসুং বম মখোন্তুনা না বৈশিন্নি, থম্মোইদা থুং থুং লাওই, কদোক পোকপগুম পেৎখৎবা লৈতনা কাপে। লান্থোংনব অসিনক্তবু অহিংদ থেংনগদ্রি।

অসুম ভৌনা পুং ৪।৫ ভৌনরগা, অমুকস্থ তুমিন্না লৈখি, করি বরিগুম্বা নুমিৎদি, নোংচানবা ফাওবা কাংবস্থ যাওই। লাম্পেংনবা মতম অতুদাদি অশোর্ন অনা মোটর গাড়ী অমস্থং বেড ক্রোশদা হাপতুনা যামনা পুথোরকই। জর্ম্মণ অমসুং অষ্ট্রিয়াগী সিপাহীসু বৃটিশনা ফাদুনা রেল গাড়ীদা হাপতুনা লিশিং লিশিং পুবকই।

ইং ১৯১৭ শালগী বডদিন নুমিৎদি যামনা অকনবা খুৎথেংনবা লাল অর্মা থেংনখি।

বৃটিশনা ফারকইবা জর্ম্মণগী সিপাহী পুম্নমক অড উবদা, কন-থোগদবা মতৌ তৌদে। মীওই ফজদে, মফিজেং লুদে, অশংবা অমসুং অমুবা ফিজেং শেংলি। মখোইবু বৃটিশ শত্রিশিংনা শেন্নদুনা রেলগাড়ীদা পুরকই। বৃটিশতা বন্দী ওইবনা মগবাই হয়'ওনা উদে। বন্দীশিং অদুবু উরগা মখোইগী মবুক্তা কবিগুম্বা অকনবা ৱাশক তমা লৈবক্তুম তৌই হাঙ্গনা নিংনৈ, মখোইনা ইতুন তুইথনা লাকপদু উরগা নুংশিবা পোকই। জর্ম্মণগী বন্দীশিং অসিবু বৃটিশনা থবক শিজিন্নৈ, অদুগা য়ামনা লুনস্থ তৌবি। ফ্রান্সগী মফম পুম্নমক্তা জর্ম্মণগী বন্দী লৈবা উই; মখোইগী লিৎলিবা মুরিং অদুগী মনমগী কয়েদীগী নম্বর থাই। বৃটিশকী শত্রি য়াওনা মখোইগী অফিসারশিং (বন্দী অফিসারশিং) অদুস্থ থবক পান্নৈ।

অসুমনা মশিং লাকপা ভগদনা জর্ম্মণশিংবু বৃটিশ অমসুং ফ্রান্সনা থবক শিজিন্নরি।

জর্ম্মণশিংগী বুচুদি সাহেবকী মতৌদি ওইরগা, থব ভাংলৈনৈ। সাহেবকা লোনস্থ তিংদে, অদুগা ইংরাজী লোল খংবা মীস্থ যাওই। লোল খংনদবা মী মশেল ৱা ভাংনবহুদি খুদোলবীতা মথিন্নবে। তুর্কি অমসুং ইউ-রোপ্তা লৈরিবা জাতী মযাম অসি, অমগা অমগা চারৌ নৌরোনৈ। বৃটিশকা জর্ম্মণগা লাল থেংনবিইদা উদেদি হাঙ্গবু মমাংইদা থেংনরম্বা লমগী খুদম টেঞ্চ অমসুং কাতাংবা লম্দা যম্বী যুংলগা, যোৎলি খাজিন্দুনা তৌবম্বা ফিভম পুম্নমক উরগা, অমসুং বৃটিশকি অফিসরশিংনা ৱারি নীবা তারগা হিরম অযাম্বা খংবা ঙম্মি।

অতোংবা লম্বু পাম্পিং স্টেশন কৌই। অতোংবা লম অসিদা টেঞ্চ তৌগদবা লৈরবদি, লম অদুগী নাক-যেত্তা থা মচেং শানা, ফুট ২৯।৪ বোম শাংবা যুম্বী মচা অদু পরেং পরেং ওইনা, লম অমমম নাপা নাপা যুংশিল্লি, যুংইবা যুম্বী মচা পরেং পরেং অদুগী মরক্তা লম ৭।৮ লোম পাক্লা যোৎলি কাটাতারনা কাতুকারন যাম্না কুংনা যেৎশিল্লি। মহুদ মী লানবা ঙমদে।

মদুগী নাকল অমদুনা (বৃটিশলোম থংবহুনা) টেঞ্চ পরেং পরেং তৌদুনা বম অমসুং তোপকা লোইননা নী থুপ্তুনা লৈনৈ। টেঞ্চ মমুংদস্থ টেলিফোন তাব

পুই। নাকল অমদি হুম্বী হুংদে। য়েক্লবনা অঙ্গিদা লাকতুনা কোঁইশিনবা ভূমদনবা তৌবা থবক্তনি। অদুগা হ দহুনা অহিংদা জর্মণনা, প্যাথ জিল্লিবা অদুগী মনুংদা চংন্নবম্ব বৃটিশনা কোঁইশিন্দুনা ইম্বাই লাইনা যাবা ঙদ্দী হাঙ্গী।

অসিগুম্বা থুম্বী হুংবা অসি মংংইঙদা লান তৌখিব নম্সগী মযম অযাম্বদা হুন্দুনা লৈরি। মনুংদা অমুক জর্মণনা অবশিন্নবপম্ব হুংদে হাঙ্গিদুনা শিদোক্তনা থাদ্ম। অদুপ লুনা থংখিব্রা (ব্রার পোষ্ট) হুম্বী অদুবু, থবল চংপদা, মণিপুরগী কুলিশিংনা শিং বোইনবগীদমক লৌকচনা বা থোকপনা করা অমা।

মণিপুরগী কুলিশিংনা ফ্রান্সদা লৈক লৈকবা মযম অযাম্বদা, লান্দা শিখিবা বৃটিশ অমসুং ফ্রান্স এসপাহীশিংগী ওং অচৌ অচৌবা য়ামনা উই। পুন্নমক অদু উরবদি, মমস লৈবাক অসি মহা শ্মশানভূমি হাঙ্গবক য়াই। বৃটিশ অমসুং ফ্রান্সগা হুম্বী নহা মযামনা লান্দা শিখিব্রা শচা মব্রাগী নোংমম লৈংফমদা নাবতুনা ভূনথোইনা কপথিব্রা অদু উরগা পি তাখিবা থংহৌদে।

ফ্রান্স হাঙ্গিবা লৈবাক অসি নোং হাংনা চুপ্নহি। নিংথম থাদক্ত অন্তনা নোংভ বনা লৈখোন য়ামনা হোংই। নোংজুথাদাব্র নিংথমথাদনা হেল্লি, মবমদি নিংথম থাগী উল মযাম অড় মুংশা মনিন খবা ফংবদা ঈশিং ভুন্দুনা

অকুৎপদা চেৎন্থে। মরেন পুমনমক অসিনা সিপাহীনা কুপনিরিবা ট্রেঞ্চ মমুং অমমুং কেম্প লৈকম পুম্নমক্তা উপ্পুরদা কৈরাক মচা মচা লম অমগী। ইরোম শাংবা, নম্বা অমম্বুংদা ট্রেঞ্চ মনুংদা থানৈ।

অচোইবা হিবম লিবা মতাং।

মণিপুরগী ৩৯ নং মাও কোর অসিনা আব সগী মনাক হডবিল কোবা খুল-অদুগী মথাদা লৈবা জর্মণগী প্রীজনার কেম্প অদুদা লৈদুনা থবক সুরিদুনা, হাই-দেওয়ারগী বাঝাই কোং অম লাকদুনা পুং অনিরোম বাঝাই খোংই অমতং সাহেবশিংনা জগোই শাদুনা মণিপুর হাওশিংবু বুৈন্দ যেংহল্লি। মণিপুর হাওশিংবুস্ত হাওগী থাং তানচিংবা পাইদুনা হাও জগোই, ইশৈ অমসুং খোশাবনচিংবা তৌহল্লা, মডু যেংদুনা যাংনা হরাওনা, বৃটিশ অমতং হাইলেংগোর অফিসারশিং অদুনা য়ু লিবলি অহুগা চুকটনচিংবা যামনা বকসিস পিবমই। থবক পরা শংবা নুমিৎ মুটবনসু শাম্নহল্লি। মুটবন শান্নবা অসি বৃটিশবী সিপাহীন্না লৈবা 'মরুম পুন্নমক্তা শান্নৈ।

এরোপ্লেন পাইকমনচিংবা মফম কয়ামুক্তা থিয়েটার হোল লিংখৎতুনা থিয়েটার শান্নবস্থ য়াওই। মফম খুদিংদা গ্যাস ৱুল লিংখৎতুনা মৈখু কাপ্পা তম্মী।

রেলগাড়ীদা কযলা হাপতুনা অহিং নুংথিল নাইদনা পুরক্লগা অহুপ যামখ্রবা টেঞ্চ অমস্তুং লৈরিবা মীযাম অহু থুংলনবা যেল্লি।

লান্দা য়াওরিবা মীয়ামশিংনা চাননবা হাঙ্গৈতুনা অচাপোৎ মখল মখল পৈখ্রবা; যেংবদা চিং চিংমুক ৱাংনা বম ১সুং তোপ মকনা লৈরিংদা ১সুং লৈপারু মথক্তা মপৈ ২ লৈখ্রবা, জর্ম্মণ বন্দী লিশিং ২ ফাতুনা রেলগাড়ীদা পুথোক লকলিবা, লান্দা য়াওহল্লিবা শগোল অমস্তুং লৌলানা চাননবা সজিক অকংবা পুশিল্লক্লিবা, বৃটিশকী থৌরাং, মপৌনা অমস্তুং লান্দা শিবা কীদবা অসি উবদা, য়েক্লবা জর্ম্মণনা কদৌঙেদস্থ বৃটিশবু নিংখাইবা ঙমগনি হাঙ্গৈবা থক পান্নদে। মুগিৎ থানা প্যাল্লিবা ফাওবা ম্যাল তৌববস্থ বৃটিশবু জর্ম্মণনা করিস্থ তৌবা ঙম্মোই হায়না নিংনৈ।

করি করিগুম্বদা, য়েক্লবা জর্ম্মণগা লান্নৈংনবদা খুংলাইনা শোক্লবা মীয়াম মোটর গাড়ী অমস্থং রেলদা হাপতুনা হন্দোক হল্লিল. তৌরিবা, ফ্রান্সপৌ মপৌ নহা লাল চেন্নরিবা পুম্নমক অহু উবদা ফ্রান্স লৈবাক ঙাক্লগা ঙয়রোইদবোই নিংই।

মসিনা হন্দক্কী বৃটিশ অমসুং জর্ম্মণগী লাল অসি হাঙ্গিফম খংদে, ইফম লৈতে, মং হা ওইনা নিংই। থবক চিনমনবনা চ'বা থকপা, মতম ফংদ্রবনা নোংমা চৎনা চেনবনু হাওই।

পৃথিবী পুম্নমক তিল্লবা, চহি মরি মঙাগী মীশিং অতুগী অৱাবগী ৱাদি লাইরিক ওইনা ইদুনা পোইবা নাইরব্রোই। মকম অদুদা চংতুনা মিৎনা শংশংনা উববা গীতনা থন্না থবা খংবা ঙমগনি।

অসুপ ৱানা চাফম থকফম খংদনা অহিং নুংথিল নাইদনা হোৎনখ্রবা থবক অদুদসু অৱাবা অমসুং অকিবা ইলে লৈতনা, মীঙোন্দা অৱাবা পুম্নমক ইউং উত্তনা মুংঙ্গাইনা হরাও বুম্মে তৌদুনা মতম লৈনবা ঙমলিবা বৃটিশ জাংগী অসিবু থাগত্তনা লৈবা ঙমদে।

ফ্রান্সদা চংলুবা মৈতৈ মচাদি মতম লৈবা খিবিক্তিদ শ্রীশ্রীগোবিন্দজীউগী ৱাতুল চরণ মিবুপ অমতা কাওজদে। চারমদাইদা, তুল্লমদাইদা অমসুং থবক থোকলমদাইদা শ্রীযুৎনা পিনবিবা শ্রীশ্রীচণ্ডী অমসুং গীতানচিংবা পাঠ তৌজতনা অৱাবা পুমনমক লেল্লি।

উল যান্না তাবা মতমদদি খোংগ্রাওদা শেৎতুনা গৌড়া সিপাহীশিংনা খুৎপু খুৎপু নাইদুনা উল অদু কক্কোইমুক চাওনা, মতুম, মতুম তাশিল্লগা মনাক মনাক্তা পৈরগা মদু হুনদুনা লানগী প্রাকটিস তৌই। মাইল

মরি মঙা শাংবা লম্বিদা তিন তালগুম্ব, ৱুবাক থুনা থুনা লমজেল ত'রে।

মতম অসিদা ফ্রান্স লৈবাক্তা লৈবা পুখ্রি অযাম্বা অদুগী ঈশিং অদু ফগজিনখি। লম অদুগী অডাং, মুপীশিংনা কনশিনখ্রবা উল অদুগী মথক্তা নাম্থদুনা শান্ন-বুম্মে তৌই।

বম অমসুং তোপ মকনচিংবা লম্বি লমথাংদা য়াম্না তাদুনা লৈ। মদু মী কনা অমত্তু পাইকুব্রা অমসুং থুল্লুবা য়াঁদে। ইণ্ডিয়াগী কুলিশিংদি গুলি অদুগী মরম করিসু থংদে, অদুনা মসিগী মরমদা মফম অদুনা লৈবা বৃটিশ অফিসারশিংনা য়াম্না লুনা হোৎনৈ।

মাওগী থাওশিংনা থবক শুবা চংলুবদা, কিহোমমানবী বম জাৎ অদু থুল্লুদুনা, মদু পোখাইরকতুনা হাও অমা শি, অদুগা মী অনিনা শোকই।

অকনবা লান অসিদা বৃটিশ অমসুং ফ্রান্সগী লেম্মী খোং থুং হকপা লমজাওদা অমসুং থবক শুফনদা লৈরম্বসু য়াম্না উই। থুংলাইনা অহুম মরিরক শোকতুনা মখোং নামা যাওদ্রবা মখোই অদুসু চৈশুঞ্জদুনা লেবর কোরদা থবক শুবা যাওররি।

লান্দা শোকপা থুলাই পাঙ্গবা ওমদুবা মীদিংঙু অদুদি পেন্সিল ফংদুনা লৈরিবনি, অদুম্বকপু [illegible] নিংথৌগীদমক কযা ব্রানা হোৎনবিবা।

ফ্রান্সগী অঙ্গাং চহি ১০.১২ রোম, শুরবশিং অতবু মখোইগী সাবাবনা দথিনা ফাহুনা লাল তম্বিগদবগী রেল গাড়ীদা হাপতুনা মযাম মযাম পুখিংবা মাগী মাগী নিংথৌগীদমক মমা মপা থাদোকতুনা মথন্থাই শিবা পামুদ্রিবা, পুন্নমক অতু উরগা, মপুগী য়াথং কিনা, লুনা হোৎনবা মখোইনা বামনা হৈখি [redacted] লুনা তৌব, মখোইগী নিংথৌনা ঐদুদি [redacted] রিশু হৈনবা নত্তে।

[redacted] Book

কেপ্টেন জেফ্রী সাহেবকী

(অফবা লমচৎ)

——:ঃ——

জেফ্রী সাহেব হাঙ্গীবা অসি, য়ামনা হৈ-শিং-বা চনসুং তুংগী পোরম উবা মীনি। মানা ইন্দক ফ্রান্স মণিপুরগী কুলিগা লোইননা থবক শুক শুকবা মতা। পুন্নমক্তা লৈবা সাহেবশিংনা মাবু য়ামন থাগৎলি। মাগা চৎমিন্নবা কুলি অমসুং মৈতৈগী পুম্নমক্তু মাহাক্ য়ামনা লুনা তৌবী। রেল, জাহাজনচিংবা অমুপ থাপদুনা বাক ফ্রান্সদা য়ৌরদুনা থবক শুববা ফাওবা মৈতৈগী ফম থকফম অমসুং চাননবা পোৎনচিংবা কবি অমতা হনবিদে। মফম অতদা লৈরিবদা কনাগুম্বা মৈতৈ

চানা না-যেকপা পোল্লবদি, অনাবা অদুবু হাসপাতালদা চংহনখ্রগা চাবা থকপা জুগোৎ চারোই হাঙইদুনা থক চংহনদে। ডাক্তারনা কৌদুনা অনা লাইকন্নহল্লি। হাঙইখ্রবা যাথং থক শোইবা হৌনদে। স্নপবভাইজর ডাবওয়ার্ড সাহেবনস্ত্র যামনা নুনা তৌবী। ফ্রান্স যৌবগা বৃটিশকী সেকেণ্ড লেপ্টেনেন্ট, সাহেব অফিসার অনিস্থ কোম্পানী অসিদা থবক তৌরে।

ফ্রান্সদগী মণিপুরদা কুলি কোর হন্দোরকপা মতাং

—:(*):—

খৃঃ ১৯১৮ ফেব্রুয়ারী তাং ১৭ কাওবা আরাম ফিনাগী মতুং হডবিগ কৌবা খুল অদুগী মনাক্তা ডি, এ, ডি, এল অফিসারগী অমগী হুকুম মতুংইন্না কুলি পুন্নমক অসি কাংবু কাংবু নাইনা থবক শুই। অদুদগী ফেব্রুয়ারী তাং ১৮ দা কোম্পানী অসি রেল তোংদুনা চৎপনা নোংঙ লগা এবাংকোর্ট হাঙনা কৌবা মফমদুদা মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট কর্ণেল কোল সাহেবকী মনাক্তা থোক্কই। কোল সাহেবনস্থ যামনা নুনা তৌরম্মী। কুলিশিংগী লৈনবা যুম অমস্থং ঈশিংগী বন্দোবস্তস্থ নিংথিনা থম্বিরমই।

অসিদা মণিপুরগী অতৈ কুলি পুন্নমকস্থ উনরে। মফম অসিদি আর্ম্মি এরিয়া নত্তে; লাল ভৌকমদগী থাগ্না লৈ। কোল সাহেবতি গ্রূপ কামান্দার ওইদুনা মফম চাওনা ফংদুনা লৈরম্মি। অসিদা ফেব্রুয়ারীগী তাং ১৪ ফাওবা থবক শুরম্লগা, তাং ১৬ তগী তাং ১৯ কাওবা নাওগী কুলি পুন্নমক রোমেশ কেম্পদা লৈকই। অদুদগী কুলি পুন্নমক অসি সরকারগী কান্নবগী মতুং-ইন্না খাইবোক য়েন্নদুনা, তংখাই অমনা কেপ্টেন জেফ্রী সাহেব অমসুং সুবিদার শ্রীগগনচন্দ্র দেগা লোইননা ব্রাক্সিজদা থবক শুই। তংখাই অমনা সুপরভাইজর ডারওয়ার্ড সাহেব অমসুং শ্রীনবকিশোরসিংহ জমান্দারগা লোইননা গোশেলদা থবক শুই। অসুমনা খাইবুং ২ থবক শুরম্লগা, অমুক হুকুম অমা লাকতুনা, এপ্রিলগী তাং ৬ তা খুৎপু অনিসি ব্রাক্সিজদা তিন্নরে; অদুদগী নুমিৎ নিনি রেল তোংদুনা চৎপনা, কেপ্টেন জেফ্রীগা লোইননা কুলি খাইবোক অমা এমিন্স জিলাগী মনাক্তা লৈবা, লোংপ্রি হাঙৈবা অদুদা লৈহৌরে। ডারওয়ার্ড সাহেবকা লোইননা কুলি খাইবোক অমা, এমিন্স সহরগী মাইল তরেৎ লাপনা ক্রৌরি কৌবা মফমদা চংশিনখ্রে। মফম অসি ব্রাসগী কোমুং পারিসগী অৱাংদা মাইল ৫০ মুক লাপই।

অসিদা মেগী তাং ২ ফাওবা থবক শুরমলগা মাওনা

কুলি ময়াম অসি অমুক তিন্নদুনা মেগী তাং ৪ নোং-মাইজিং শুমিত্তা মণিপুর স্না লৈবাক লোমদা মাই ওল্লক্লে। সুমিৎ মডানি রেল তোংলগা মার্শেল যৌরক্লে। মণিপুরগী কুলি পুম্নমক অমসুং আসামগী কুলি অতৈ খরগা তিন্নদুনা, পুম্না কুলি শিং ৪০০০, (মরি) মেগী তাং ৯দা মার্শেলি বন্দরদা কালেডোনিয়া জাহাজদা তোংখৎলে।

নোট ঃ— হন্দক মণিপুরগী কুলি কোরনা খৃঃ ১৯১৭তা চৎখিবা অসিনা খৃঃ ১৯১৮ দা চহি অম ফ্রান্সগী লম্নদমদা লানজাওগী থবক শুবা পাংউবদা চহি অমদা হল্লকপসি কুলিশিংগা কর্ণেল কোল সাহেবকা চহি অমগী দময়কতা মডাংনৈ অদুনা মণিপুর কুলিশিংনা চহি অম ফারে, নংগা ঐখোইগা ভাংনবা মতম সুরে, ঐখোই থবক থাদোক্লে, মণিপুরদা হল্লগে, হুকুম পিরো হাঙ্গনা হাঙ্গদুনা লাওরে। মসিদা কোল সাহেবনা মতম খরদদি ভাইখো হাঙ্গনা খাম্মী। অদুদা মণিপুর কুলিশিংনা যাম্রে, চহি অমত্তম ভাংনরগা ঐখোইদি ওসিদগী থবক শুররোই; হাঙ্গদুন থবক উইদ্রে তৌরে। অদুদগী সাহেবশিংনা য়াররো হাঙ্গবদু উরদুনা, মণিপুরগী কুলিশিংবু থুনা পুথোকখিবনি

জাহাজ থাগদবা পুংমুক ৱাংলিংউদা ফ্রান্সগী লৈশাবী চহি ২০ লোম শুরবী অনিনা ইঙ্গি, মথক অদুদা মং শাম্নদুনা বুম্মৈ তৌবি। ফ্রান্সগী লৈশাবী অনিস্থুদগী কুচুনা লফু লৈযোন মচু হাইরপ মাল্লিবা; লফু লৈম্ব

মাল্লবা বৈবাক্তা পাখ্রবা অভাংবা খো'গ্রাওনা তপ নপ্তুনা ফাজিল্লিবা, শাইগবপা মুন্নিং অপানা থবাক মথক্কী মথৈদি থাদোক্লপ লিংলিবা, চুংচাক্কী মশমদি মাল্লগা লেং লেং চৎপা মশাই এপ এপ তাইল্লিবা লাক্ল ফানবগী ব্রাবনা, মমাই অহুদি হৈয়াই অমুন্দবা মাল্লগা হুমাং মরিক শৌরিবা, বুম্মৈ অদু উবদা হীদা তোংলিবা নী পুন্নমক অদু চৎবনি হাঙ্গবা কাওনরে। শোরাবেনগী উর্বশী, রম্ভা হাঙ্গবদু অম্মম তৌরিংদ্রা, হাঙ্গনা নিংনৈ। অদুপ ব্রানা তাল্লবা শেল অদু থাখিবদা পান্মুবা পোক্লদ্রে।

ফ্রান্সগী বুচুদি থাগৎনরি। ফিজেৎ ১মুং বুচু লুবা ফ্রান্স, শক লৌবা ইতালী অমসুং রাশী লৈবা বৃটিশ মপী হাঙ্গনৈ।

নোং ঙাদ্রগা মেগী তাং ১০গী অহিং পুং ১১ তাবদা জাহাজ অদু আলেকজান্দ্রিয়া যৌনা থাক্লে। বুলিনা তোংলিবা কালেডোনিয়া কৌবা জাহাজ অদুগী নাক যেংলোন ওইবোমদা অমসুং মতুংদা সিপাহী যাওনা তোপ অমসুং নোংঠৈনচিংবা পাজৈদুনা শত্রি জাহাজ ১৪না কোইশিন্দুনা য়াম্না চেকশিন্দুনা পুই। শত্রি জাহাজ ১৪গী মতুংদা ৬তি পিকই, যাম্না যাংই; মসিংদি ডিস্ট্রোয়ার কৌই। অতৈদি জঙ্গি জাহাজ ঙাক্তনি। হেক্লবা জর্ম্মনা ঈশি মতুংদা নুপ্তুনা জাহাজ বাপথাইবা অসিংমতু ভূমধ্য-সাগর কৌবা মফম অসিনা হেল্লি অমসুং যাম্না কীনৈ।

কর্ণম্না জাহাজ কাপখাই হাঙ্গৈরিবা খুৎলাই অদুগী নানংদি টোবপিডো হাঙ্গনা কৌই। মচিল তুপ্নি, লম ১ পগাইবোন শাংই অমসুং ব্রাই অহুম মখাইরোম চাওই; অদু কাপশিল্লবদি তোপকুম্না মখোল হৌই। অদুগা মানা পানখিবা মযম অদু হুৎতুনা ফাওদোকখি। অদুক কীনপ্রবা ভূমধ্যসাগর অদুবু অকিবা ইলৈ লৈতনা বৃটিশনা জাহাজ পুদুনা হঙ্গৎ হন্দা চৎলিবা অদু উবদা, মখোইগী নখৌনা থাগৎতনা লৈবা ঙমদে। মুমিদাং মুমিৎ তাপ্রি- ইঙদগী হৌনা জাহাজগী মপান্দা লৈবা মৈ পুক্নমক মুখৎলি। অদুগা অহিংদা জাহাজগী মথক থংবা ডেকতা কনাম্ভ চুকট থকপা যাদে। কনাগুম্বনা চুকট থকপা উববদি অকনবা দণ্ড তৌই। মরমদি মানা থকলিবা চুকট অদুগী মৈ অদু যেক্কবনা উদুনা, মাদু অম্না টোব- পিডো কাপশিল্লবদি, অদুক যাম্বা মীয়াম অদু মাংগদবনি হাঙ্গনা অবানবা মী অদুবু কাপথুই হাঙ্গৈ।

হন্দক থোরকপা মণিপুরগী হাও অনিনা জাহাজ মথক্তা অহিং চুকট থকপদা উরদুনা মখোই অনিবু ফাদনা হাতবতা চন্দুনা। মুমিৎ ২। ওনি বন্দী থমই। মতুংদা কেপ্টেন জেফ্রী সাহেবনা জাহাজগী কেপ্টেন অদুদা, মখোই অসি বন্নিস্থ খংজদবা ঙাক্তনি হাঙ্গনা হাঙ্গৈবিদুনা থাদোকপিখি। অদুগা জাহাজনা করিগুম্বা লাকপা থোরবদি বোট (হী) মচা মচা অদু জাহাজ

অহুগী 'নাক যেংলোম 'ওইরোমদা যান্দুনা প্লবিবা অহু জাহাজগী খালাসীশিংনা ঈশিংদা থাদবগা মহু তোংগদবনি, থৌরি পাঙ্হুনা কুমথরকপা অসিনচিংবা হিরন প্লম্নমক অসি নিংথিনা তাকপি। নুমিৎ খুদিং অযুক পুং ১২ তাবদা, মাগী মাগী লাইফ বেটগা লোইননা জাহাজ মথক্তা ফলেন তৌরগা, জাহাজগী কেপ্টেন অহুনা লাইফ বেট পুনবা, চুব্রা চুমদবরা হাঙ্গনা মুনা যেংই অমম্বং জাহাজগী মনুং-অমম্বং মথক্কি থাক অহু নুমিৎ খুদিংগী ঈশিংনা শেংদোকই।

কুলি মী লিশিং মরি তোংহুনা মতৌ অহুম্না জাহাজ মমাই মখা পাংহুনা আলেকজান্দ্রিয়া বন্দর তান্না চৎলকপ অসিদা, শত্রু জাহাজ পুম্নমক অহুধগী, জাহাজ অমগা অংগা ওইরনা যোৎকী দিবান হাইনরিবা ভিক্টোরিয়ার বৌবা জাহাজ অপিকপা জাৎ অহুনা; কুলি তোংলিবা জাহাজ অহুগী মাং তুং অমম্বং নাক যেংলোম ওইরোমদবা মাইনমুক লাপ্না, শৈচিন মরক্তা লুযেং লুযেং তৌহুনা বাতু বাবন চেল্লিবা অসিনচিংবা বৃটিশকি শৌরাং অমম্বং যতন পুম্নমক অহু উবদা, ব্রাবনা মচিন-বান খ্রুক ২ কংখ্রবা অহপ যাম্না মীযাম অহু বুমৈ ওইনা য়েংনৈ। বৃটিশকী যত অহু উবদা পুক্নিং অব্রাবা থর কোকই। অমম্বং অহুক চেকশিনা প্লরবা অসিদা

সোইবা হৌনদে শোইরবগী শিবা ক্রিদরেদপুরচেলঅম, লাকই অমহিকমুং পুক্রিং মাম্রা মুমশিবি

অমুম্না মেগা তাং ১২ তায়ুক পুং ৫॥০ মডা মখাই তাবা বান্দা, য়েক্লবা জর্ম্মনা, ঈশিং মনুংদগী থোরকতুনা বুশি তোংশিব জাহাজ অদুগী ওইবোইনবা চংলবা জাহাজ অমা টোরপেডে কাপশিল্লকই। জাহাজ অদু ফেং ফেং হাইরকনে অমসুং মৈথু বংলবা কারকলে। জর্ম্মণগী খুৎনাই অদু কাপ্পা মতমদা তোপ কাপ্পগুম্না মখোল হোই। অদুদা কুলিশিং অদু ফশেন তৌনবা জাহাজদগী ডবল বেঙ্গল খোংলকনে। মীয়াম পুমনমক গাগী ২ লাইফ বেট য়াওনা জাহাজতুগী মথকী ডেক্সতা ফলেন তৌনরে; কপ্পা যাওনরকনে। বৃটিশকী তেঙ্গোন জাহাজ ময়ামদগী তোপ অমসুং নোংমৈনচিংবা কাপলকপনা নাকোং য়ৈশিল্লে। সমুদ্রগী ঈশিং অদু মথক মখা ওলে। য়েক্লবা জর্ম্মণদু চেনখে। খুৎনাইনা শোকপা জাহাজ অদুনক লৈহৌবে। লৈহৌরিবা জাহাজ অদু পুং ৪।৫ লৈরগা, অনকপা দ্বীপ অমদা যৌগনি হাঙ্গনা হাঙ্গ। মীদি শোক্লে। মুমিং য়ুংবা মতমদা বৃটিশকী সি প্লেন অম লাকতুনা, শত্রি ওইনা ঈশিং মথক্তা পাইতুনা, মাদু মুমিং তরাদাইদা হনখরে। মাংসি বেশুনগুমনা পাইবা ডনই। অদুম তৌনা মুমিং

মরিন্নি চংলকলবদা মল্টা দ্বীপ য়োরে। মল্টা দ্বীপ হাঙৈবা অস্নি জাহাজ পোথানবা অচৌবা মফম অমনি। গোল অমস্তুং মল্টা হাঙৈবা দ্বীপ অনি অসিগী মযাইদা জাহাজ থাংই। মফম অসুদা জাহাজ অতৈক্তু যামনা লৈবক্সী, দ্বীপ অনিমক অসি নুংগী দোলান ৱাবনি অমস্তুং যেংবদা যাম্না ফজে। মফম অসিদা উ, ৱা অমওক্তু লৌদে। নুংশা কনমনবা মক্তনা মফম অতুগী গোঁডাশিং অতু য়েংবদা য়ামনা মোংলী। ফ্রান্সগী ফজরা মযাম অতু উকবগী মতুংদা মখোই অতু যেংলবদি হঙ্গোই।

নুংশিং শিল্লবদি ভূমধ্য সাগর অমস্তুং লোহিত সাগরদদি জাহাজ ফেং ফেং চাইবস্তু থর মফে। মতুদা নোংমা পোথাহনা নুমিং নিপানি শুবা নুমিত্তা আলেক জান্দ্রিয়া য়ৌরে।

অস্তুম তৌনা জর্মন্না ঈশিং দা জাহাজ কাপথাইবসি নুমিং তাবা অমস্তুং অযুক অঙাবনা তৌনগনি হাঙৈ। অতুনা মতম অনিসিদা যামনা চেকশিনৈ।

অস্তুননা আলেকজান্দ্রিয়া বন্দরদা খুংলবা অতুদা নুমিদাংৱাইদা অমুক বেনগাডী তোংতুনা লাকপনা, নোংঙাল্লগা 'স্যুয়েজ কেম্প য়োর'ব্র। মতুদা নুমিং নিনি পোথারগা স্যুয়েজ সহরদগী “পেন্টা কেটা” কৌরা জাহাজ অতু তোংতুনা নুমিং ১৩ নি চংলগা খৃঃ ১৯১৮ মে থাগী তাং ৩০দা 'বম্বে বর্দরদা খুংতুনা

কংফান্দা কাখৎনরক্রে। স্নয়েজদগী বম্বে বন্দর যৌবসি চংখিবদদি মুগিং ১৬ নি চংই। তৌইগুম্বগ্নং হন্নকপদদি নুংশিং মায়োক্নদবা ময়ম্না, মুমিং তন্নাহুনদোইনিদা বম্বে বন্দর যৌরে। পুণ্য ভূমি ভারতবর্ষবু অমুক উরক্রবদা মীয়াম পুম্নমক হরাওনৈ।

অতুদগী রেল তোংতুনা নাশিক সহরগী দেওলালী কৌবা মফমদা মুমিং মরিনি পোল্খারগা, অমুক রেলগাড়ী তোংতুনা মথং মথং নাগপুরনচিংবা হেন্দোরকতুনা কলি কাতাগী হওরা ষ্টেশনদা পুং অমা পোথাই। নৈহাটি অমস্নুং রানা ঘাট লাম্লোকতুনা গোওয়ালণ্ড ঘাটতগী অমুক জাহাজ তোংবনা জুন থাগী তাং ১৮ দা গৌহাটি ডিপোদা থুংই। গৌহাটিগী ডিপো কামাণ্ডিং অহনা মী পুম্নমক থুংনবা শিল্লমই অমস্নুং চুকট য়েনহল্লি।

ফ্রান্স লৈবাক্কী হরা অফবা অতুদা চহি অমা লৈজকতুনা বুচু কুমেন খর থোকচরকপা মী মথাম অদু জাহাজ অমস্নুং বেলদা লাবপগী মুংশা মৈচাক অহনা ডিমাপুর যৌরকপদা মহৌশাদগী হেন্না মুশিল্লি।

খৃঃ ১৯১৮ জুন থাগী তাং ৩০ দা মণিপুর-স্না লৈবাক যৌজরে। মণিপুরগী প্রাকৃতিক নিংথিবা অমস্নুং অইংবা পুম্নমক অদু ফংঅরহনা পুকনিং য়াম্না মুংঙাইরে। মতম কুইনা মণিপুর থাদোকতুনা থাপখ্রবা মীরৈবাক্কা লৈজকপগী অন্নাবা পুম্নমক কাওরকে। মতম কুইনা

দর্শন ফংজকদ্রবা শ্রীমতী রাসেশ্বরী অমসুং শ্রীগোবিন্দজীউ যুগল পদারবিন্দ দর্শন ফংজবদা মী ওইনা পোকপগী মহৈ যাম্লে হাঙ্গনা নিংজরে।

নোট ঃ— মণিপুর অসিবু থাইনদগী হৌহনা কবো, কাছাড, আসাম, সিলেট অমসুং মণিপুরদা লৈবা মীশিংনা "মণিপুর ম্না লৈবাক" হাঙ্গবা পাওরো অসি নহা ওইরিঙৈদগী হৌনা তাজরক্লে। অদু তারগা মণিপুরদা ম্না খোকপোই নিংলগই।

থাপথ্রবা মীরৈবাক্তা চংতুনা অফ অফবা, ওৎহেক্লে ওৎথোকপা পোৎ অমসুং ফজ ফজবা মীশক, দোলাল অসিনচিংবা অসি যাম্না উরক্রে। হাঙ্গৈরিবা পোৎ পুম্নমক অসি মীনা শেগ শাবা ঙাক্তনি।

লাইনা শেম্বা ফজবা মণিপুর, চাং চপচানা হৱা ইংবা মণিপুর, লাইরনা ফজবা মণিপুরনি।

নরম পুম্নমক অসিনা মণিপুরবু "ম্না লৈবাক", হাঙ্গৈরিবা পাওরো অসি অচুম্বা মকি হাঙ্গনা হন্দক তশেং-তশেংনা খংবা ঙমই।

মতৌ অসুম তৌনা মণিপুরগী কুনি কোব অসি খৃঃ ১৯১৮ জুন থাগী তাং ৩০দা ঘু ডুরুনা লৈবে।

কুল কোরগী ফমনাইবা চাওরাকপা ঃ—

১। মহাদেব বাবু। ২। টেব। ৩। মহাও। ৪। পরমসিং। ৫। কয়ানসিং। ৬। পুনি। ৭। কানথৈ।

৮। লৈশুমা। ৯। রৈচন হাও। ১০। নিংথৌজম পোবেনসি, ডাক্তার ওইদুনা করাচি ফাওবা চংলম্মী।

খুংলাই পাইবা লাম্মীনা লৈংহৌবগী মতাং।

মসিদা খুংলাই পাইবা লাম্মীশিংদি থুংল্লে। ফ্রান্সগী লানফমদগী ভূমধ্য সাগর, লোহিত সাগর, কৃষ্ণ সাগর, আড্রিয়াটিক সাগর অমসুং আরব সাগরদা ইউরোপকী লাম্মী অদুগা ভারতকি লাম্মীশিংগী চান-থকননবা, খুংশু খুংলাইনচিংবা মহা সাগরশিং অসিগী মপান্দা জাহাজনা হোন্দোক হোঙ্গিন্ তৌরম্বদু লান্দা মহৈ মান্নবনা কাপথুদুনা মী, খুংশু খুংলাই য়ামনা মাংখ্রগদ্রা হাঙ্গৈবগী মওং ওইনা চংনখিদ্রে। মহৈ মহৈ লৌয়েংনদুনা লৈনখ্রে। অদুগা ব্রিটিশনা মিসপুতুমিরাগী মুশিন কৌবা লম অদুগী কিশা অচৌবসি খুগাইবা শুমদদুনা লৈনরি।

মতৌ অসুম তৌনা লৈনরিভে অসিদা জর্ম্মণ গবর্ণমেন্টকা ব্রিটিশ গবর্ণমেন্টকনা লাল তৌরসি হাঙ্গৈদুনা বানরে, সন্ধি তৌবগী লাইরিক ইনরে, অদুদা বেংগুল বঝাই খোংদুনা লাল, লোইরে হাঙ্গৈদুনা লাম্মীশিংনা হরাওজদুনা লাও খোংখ্রিবা অদুগী মনিম্না পুংনিল নিনখিবা অভকপগী মশকনি।

মসিদগী লাল লোইরে নংগী নংগী লৈবাক্তা হনবা ৱারে হাঙ্গিরনা হুকুম পিরে। খৃঃ ১৯১৯ মার্চ থাগী তাং ২৯ দা ভারতা মাই ওরবে। মতাং অসিদা ভারতকী লান্মী মযাম হোন্দোরকপশিং অসিদা ইউরোপকী মেম লুখ্রাবী, নৌ অমসুং লৈশাবীশিংনা লোইনদুনা ইউরোপকি জাহাজ ঘাটতগীনা বম্বে বন্দর ঘাট ফাওবা ভাইদুনা লান্মীশিংবু মচা মত্রাগী মতৌগুম্না লেবা যাম্না নিংথিনা তৌই, অদুগা খুদোনপোং— নঙ্গা লংনা শাব্রা শেনগাও অনৈমগম্ব পী।

উইমেনস্ অরুজুলিয়ারি কোর।

মথৌনা ফবী লৈশাবী অমসুং নৌশিংনা লানগী থৈমথু মরক অদুদা মানা মানা ভম্বা থবক পাংখি। টেলিগ্রাম অমসুং টেলিফোন নার্শ ওনাশংদা অমসুং লাম্মী শিংগী মবম পুম্নমক লোইনা পাংখি। হাঙ্গিরিবা মুপী-শিং অসি একটিভ সার্ভিসগী মনা মপুম লোইনা ফংই।

ভারত কংগ্রেস আন্দোলন।

মতৌ অসুম তৌনা বম্বেদা হৌমনি লৈরগা দিল্লী বোবা রেল তোংদুনা লাক্লে, দিল্লীদা মতৌ করম তৌরম্বী, কংগ্রেস আন্দোলন্না দিল্লীগী ষ্টেশনদা কাঙ্গ্রেস আন্দোলন য়াম্না কন্না তৌরম্বী কংগ্রেস আন্দোলন্না

কনমনখিত্না তকপোকপা ভমদত্না গোঁডাশিংনা মেচিনগন্না কাপ্পুনা নী থর শি থর শোকই। কংগ্রেস থরা শিবা অসিবু কংগ্রেস নেতাশিংনা মণিপুর ডবল কম্পনিনা কাপ্পনি হাঙনা থনখি। কাপ্পদি মণিপুর ডবল কম্পনিনা কাপ্পা নত্তে, গোঁডাশিংগা ফীজেং মানবনিনা মবাগ নরক্তা য়েংশিন্দুনু পোকখিবনি, মণিপুরনা কাপ্পা নত্তে, গোঁডাগী মেচিনগনা কাপখিবনি।

নোট ঃ— তোইগুম্বগুং সিপাহীগী চৎনবী (মেলীটরী লো) সিপাহী হাঙবসি মখোইগী পুরিবা কামাণ্ডার অমুগী হুকুম নত্রবদি ঐখোইনা কাপনিংই হাঙত্না ইনিংতৌনা কাপ্পা থক য়াদে, অদুনা মণিপুর সিপাহীশিং কাপ্পগী হুকুম পিদে ডাকপেনবদনি।

কবিগুম্বা কাপ্পা তাবরগু দিল্লীদা ফমলিবা রেজিমেণ্টগী কামাণ্ডার অমুনা হুকুম পিরগা দিল্লী রেজিমেণ্টনা কাপকদবনি অমুনা ভারতকী সিপাহীনা ডাকপোকপা ভগদ্রত্না দিল্লীগী রেজিমেণ্টনা চংডকঅগা কপ্পুনা ডাকপোকপনি। মতৌ অমম তৌনা ডাকপা নাওরনগা " কংগ্রেস আন্দোলন অমুমু থর নেমলে, অমদগী লেন্স টাউন চংলমলগা মণিপুরদা মাই ওয়ক্কুনা খঃ ১৯১৯ গী মে থাগী তাং ১৭ অসিদা মণিপুর থৌবকই। হন্দক মণিপুরগী লামীনা ইউরোপ্পা লৈবসি চহি অহুম চুপ্পা নৈ।

খৃঃ ১৯২০দা হাইলাকাণ্ডিদগী মণিপুর সিপাহীনা ভাকপা যাওকুবদগী ভাক-সেনবদনি থোইদোকপা কাপ্পখিদে।

মনা পীবা।

লাম্নীশিংনা থুংভবদা মণিপুরগী প্রজা ময়াম অহুগা অভম-অথৌ সাহেবনচিংবা ময়াম্না লৈ চাইহুনা ওকলম্মি। মসিদগী নোংমা নিনি লৈরগা মণিপুরগী অভম-অপৌ প্রজা পুন্নমক পৈহুনা দরবার তৌই চিং তুম অনিমক্কী লাল চংলুবা পুন্নমকগী যাওরি।

বৃটিশ গবর্ণমেণ্টনা তকমান অনি পী, মণিপুর ষ্টেটকী মনানা স্ববিদার জমান্দারগী লৌচা পরি মঙা মঙা পী, হবিলদার অমসুং অমোন্দারগী লৌ পরি অনি অনি পী। সিপাহীগীনা লৌ পরি অমমম পী। মতৌ অসুম তৌনা লানফমদগী থোরক্লগা লানজাওগী ৱারি পুন্নক শানহুনা মুংভাইনা লৈরে।

নোট:— মতৌ অসুম তৌনা জর্মণগী লালজাও চংলুবসিদা ইউরোপকী সিপাহীশিং অহুগা ভারত লাম্নীশিং অসি ফ্রান্সগী লালফমদগী ইরানে ফাওবা অসি হন্নং হন্দা চংপনা মাগী মাগী কম্পানি ফাওবা মফম অসিদা লৈ হাঙবা খংনদে।

অহুগা মণিপুরগী বুলি কোরদি [illegible] [illegible] চহি ১ অমা কোইলৈ লৈহুদা অহুমক [illegible] দেশশুদা অমা চৎপা য়াওদে।

জাপানীগী লাল।

খৃঃ ১৯১৯ অসিদগীনা খৃঃ ১৯৩৮ ফাওবা অসি পৃথিবী অসি ইংথহুনা অহুমক লৈনরি মসিদা খৃঃ ১৯৩৮ দগীদি পৃথিবী অসিদা ফাওরবা আমেরিকা, জর্ম্মণ, রুশিয়া, জাপান অমসুং বৃটিশ হাঙ্গৈরিবা লৈবাকু মঙা অসি মপা মপা চোংশিন চোংশিন্দুনা য়াম্মবা হৌরক্লে। পৃথিবীগী লানজাও অসি অমুক হৌরক্লে।

খৃঃ ১৯৪১ ফাওবা অসি জাপানীশিংনা অন্দামান (কালাপানী) অমসুং ব্রহ্মা ফাওবা তকশিলক্কুনা মণিপুরগী সীমানা পাইরকই। তৌরিবা লালওং অসি বৃটিশনা উরহুনা খৃঃ ১৯৪১ অসিদগী ডিমাপুরদগী মণিপুর ফাওহুনা ব্রহ্মা তাবা লম্বী শেমহুনা জাপানীশিংগী লাল অকনবা থেংনবা হৌরক্লে। খৃঃ ১৯৪১ ফেব্রুয়ারী তাং ২১ দা মণিপুরদা এয়ারগন পাইরকই মসিনা ইহান হানবা তসবীব নম্বা লাকপা প্লেন্নি।

খৃঃ ১৯৪২ মে তাং ১০ দা নোংমাইজিংদা জাপানগী বম ইম্ফালদা তাবা অহানবনি।

মসিদা ভারতকি সেনাপতি স্থবাস চন্দ্রবস্থনা পুবা তেংগোল অদুনা মণিপুরদা লাল চংবা লেপ্লে। খৃঃ ১৯৪৪ মার্চ্চগী তাং ২২ দা করোদগী মণিপুরদা লাল চংবা হৌরে। খৃঃ '৪৪ মে থাদনী কোইশিনখিদুনা মে, জুন, জুলাই অহুম অসি বাপ্পখি। অদুদগী বৃটিশনা করো ফাওবা তকথোকখি। মণিপুরগী লালফম অসিনা পৃথিবীগী জাত পুম্নমক তিনখি। মণিপুর অাস লাল-জাও থেংনরম্বগী চাইখাইবা অহু খৃঃ ১৯৪৪দগীন' খৃঃ ১৯৪৯ ফাওবা অসি য়ুম-কৈ হোংজিন্নবা লোইদ্রি, অদুগা ভারত গবর্ণমেণ্টনা ক্ষতিপূরণ পিবা অহুম যেনবা লোইদদুনা লৈরি। তৌইগুম্বমুঃ মণিপুরদা লানজাও মতেক অমা উবা ফংখি।

———:( ):———

জেনেরেল নোলেজ্‌।

(ব্রাহং পরেং)

১। তেঙ্গোনগী মশিং—প্লেটুন মরিনা কম্পনি অমা শাই, কম্পনি মরিনা বটালিয়ান অমা, মরিনা বৃগেট অমা, বৃগেট অহুমনা ডিভিজন অমনি অহুনা ডিভিজন অমদা মীশিং কয়া লৈফম গোকপগে মচা শন্দোক্না তাকউ।

২। মণিপুরনা লান পাংবদা মণিপুরগী অমসুং ইউরোপিয়ানশিংগী লুচিংবা অমসুং চৎপগী শোক তারিক উৎতুনা মচা শন্দোক্না তাকউ।

৩। মণিপুরগী কুলি কোসনা লান পাংবা চৎপসিদা লুচিংবা অমসুং শোক তাবিক উত্তুনা তাকউ।

৪। মণিপুরনা গ্রেটব্রার পাংবসি বৃটিশগা করম্বা নিংথৌগা মরি চৎনহুনা মতৌ করম পাংবগে খুদম উৎতুনা তাকউ।

৫। গ্রেটব্রার পাংবসিদা মণিপুরগী মী মরি হিন্দু ধর্ম্ম মাংগনি হাঙ্গৈতুনা লান চৎপা যাওখিদে, অদুগা নম্বোলগী গুলামজাৎনা য়াওজবগী মনাও হাংখিবা অনি অসি সামাজিক অমসুং রাজনৈতিক্‌ করি করি কাইবগে পুকনিংনা পাম্বা উত্তনা তাকউ।

৬। মণিপুরগী লান্মী অমসুং কুলি কোসনা চৎপগী হন্নকপগী তারিক অমসুং চহি কয়া কযা লৈবগে উত্তনা তাকউ।

৭। মণিপুরগী ল্যানমি অমত্তং কুলি কোর অমিনা সমুদ্র চৎলগা করম করম্বা বন্দরদা থুংডুবা তারিখকা কোন্নবা উৎতুনা তাকউ।

৮। মণিপুরগী মীশিংনা সমুদ্র চৎলগা আরোসতী রয়েল ম্বোবা তারিখ তাকউ।

৯। মণিপুরগী মীশিংনা ফ্রান্সগী মফম করম করম্বদা নৈবগে চাওরাকুনা তাকউ।

১০। মণিপুরগী লান্মীনা মফম করম করম্বদা নৈবিরিবগী মতমদা লান্‌ মখিং তৌবগে শন্দোকনা তাকউ।

১১। গ্রেট ৱার পাংবা চৎলম্বদা ইদু কোম্বুংদা মথং করন তৌবগে থুদম মরিক চুমনা উৎতুনা তাকউ।

১২। সুভাস চন্দ্রনা মণিপুরদা লান চংচকপা তারিখ তাকউ।

১৩। জাপানীগী লান্দা মণিপুর তসবীর নম্বা লাকপা অহানবা ইয়ার গণ (প্লেন) পাইরকপা শোক তারিখকা কোন্নবা তাকউ।

১৪। ইম্ফালদা বম অহানবা তাবা মুমিৎকা তারিখকা তাকউ।

১৫। ভারত কংগ্রেসনা দিল্লীদা আন্দোলন তৌখিবদা বৃটিশনা ডাকপা অমদহুনা নোংমৈনা কাপ্পখি। নোংমৈনা কাপ্পহুবু মণিপুরনা কাপ্পনি হাইনৈ। মসি সিপাহীগী আইনদা অহুগা লৈপাক ডাকপগী

মরণদা করি করি কাইবগে মচা শন্দোকনা পাও তাক পিহ্না তাকউ।

১৬। তুজিক কালগী চহ্নবী তেঙ্গোলগী লুচিংবা অসি থাক অহুম থমই। মতুদি :— কিং-বমিশন, ভাইসরয়-কমিশন অমসুং নন-বমিশন অহুম অসিগী ফম মপিং তাকউ।

১৭। তরুরুলুপ্ত্রিয়ারি কোর কয়াইবু বোঝগে তাকউ।

১৮। (ক) এগ্রেসিভ ব্বার হাঙ্গৈবদি খুংনু-খুংলাই চান থকনবা অমসুং য়াওদনা খুংলাই মরগী তেঙ্গোল অহুদগী পুম্নমক মুন্দুনা শোক্লগনি হাঙ্গৈবা লান মওং অদুনা এগ্রেসিভ ব্বার কৌই।

(খ) ইকোনোমিক ব্বার হাঙ্গৈবদি খুংনু-খুংলাই অমসুং চান-থকনবা পুম্নমক শিল্লাংলগা শোকনবা লানওং অদুবু ইকোনোমিক ব্বার কৌই।

মথক্তা হাঙ্গৈরিবা লান মওং অনি অসি নথব্রাইনা পাম্বা উংঙুনা তাকউ।





(নোট)

১। লৈবাক ঙাকপগী থবক অসিদা সিপাহী হাঙ্গদুনা থম্মীবসি তচৌ পিশক নাতদুনা নম্বর থাইনা থম্মী।

২। কেডেটকোর হাঙ্গবসি নিংথৌগী মচা অমদি নিংথৌমক্কা সিপাহী ওইবা মপৈংদুবনি।

৩। ইম্পারিয়েল সার্ভিস ত্রূপ হাঙ্গবদি যাম্না চাওবা সিপাহীনি, নিংথৌগী স্না হাকথংনি। লান্দা য়াম্না থৌই।

৪। রেজিমেণ্ট হাঙ্গবদি তলবকী নথক্তা চাবা অমসুং ফিজেং থোল্লী।

৫। আসাম রাইফলস্ হাঙ্গবা লেংদনা, মৈরা মিলিটরিবিনিং অসি তলবতগী চাবা অমসুং ফিজেংকী লুপা ককশিল্লী।

৬। - যৈটকস হাঙ্গবদি ফিজেং অমসুং চাবা পুমনক নিংথৌনা তৌরগা গবর্ণমেণ্ট অমদা থবক পাংবা অদুবুনি।

৭। রিজার্ভ আর্মী হাঙ্গবদি টাউন ঙাকনবা চেশু পাইবা অদুগা নোংমৈশু পাইবা কোযেং অঙাংবা যেংপা টুপিশু উপ্পা লেংদনা লৈবা অদুবুনি।

৮। কেভলরি অমসুং লেনসর হাঙ্গবদি শগোল তেংবা গোলনি থাংশু, তা, নোংমৈ তগুম অসি পাইবা অদুবুনি।

(৫_ট ৱর)

তেঙ্গোলগী মশী।

বটালিয়ান অমা মী ৮ নাশাবা

কম্পনি ৪ মরিনা বটালিয়ান অমা

প্লেটন ৪ মরিনা কম্পনি অমা মী ২ চনি

সেক্সন ৪ মরিনা প্লেটন অমা মী ৫

সেক্সন অমা মী ২।

বটালিয়ান ৪ মরিনা বৃগেড অমা

বৃগেড ৩ অমুমনা ডিভিজন অমা।

মতম অসিদদি তেঙ্গোল অসি ।ও অম।দুনা শারি

লোইরবা।

——( )——